ইম্ফালদগী কন্যাকুমারী

পানথোইবা

পানথোই চেফোং

লাইরিক অসি ইমকাননগী কন্যাকুমারী কাওবা কোয়রকপগী য়ারীনি। অপাবা মীওইদা থজিক হুডাইবা ঈনোং পীনিংবদগী মরি লৈনবা য়ারী থরাম্নু হাপচিনজখরে। লাইরিক অসিবু অমামমতং লৌরগা পাবিরবদি হোৎনজমন মহৈ য়ানজরে।

Libraries are no longer a luxury. A home without books is like a house without windows. Children learn to read by being in the midst of books; they unconsciously absorb knowledge by handling them. Children who are well-supplied with dictionaries and other useful books, will educate themselves unconsciously, and will learn many things of their own accord. Besides, homes are brightened and made attractive by good books, and children stay in such pleasant homes. A bright child will absorb good qualities from good books, if allowed to use them constantly. Do not be afraid to mark your books. Make notes in them. They will be all the more valuable. One who learns to use his books in early life grows up with an increasing power for effective usefulness.

—ORISON SWETT MARDEN

'SELF-INVESTMENT' (P.100-101)

ইমফালদগী কন্যাকুমারী

পানথোইবা

পানথোই চেকোং

লমকোয়-লাইব্রিক পারগা লম-লমগী হিরম খংজিনবদা মতেং য়াম্না পাংই । লম কোয়থোকপা Practical know-ledge ফংবা ওমই । মহৈ-মশিং তমশিনবদা লমকোয়-লাই-ব্রিককীস্মু চাউরবা মতেং লৈ । লাইব্রিক অসি পারগা কান্নবা ফংল-বদি ঐহাককী হোৎনজখন ফংলে হায়না নিংজগনি ।

অনৌবা দিল্লী
সেপতেমবর ২৫, ১৯৮০

পানমোইবা

ইম্ফালদগী শিলচর

(অরাপপা কিং মিং ১৬৭)

খোংচং : MANIPUR STATE ROAD TRANSPORT

(নোংজা ১১-৪-১৯৭৬)

লমকোয়বা হায়বসি থৌদাং মথক্ক অমনি। থৌদাং পাং-থোকপগুন লম-তুবুম্নু য়েংফম থোকই। লমকোয়ঠনা য়েংলগা রাখল চাগুথোকই।

এপ্রিল্লগী চৈচং ৯, ১৯৭৬ নি। পুং তরা-মথায়মুক তাবে। ঐহাক পাউনা হোতেলদগী খোঙশানদোকই। কৈশামপাংকী পারিসিতি লোয়শ'দা চংই, থাপা **(Calendar)** অমতং পীবিনবা হায়জৈ। স্তোক লোইথোকখিবা মতম থোকতুনা ফংদবে। ঐহাক দিঃ সিঃ অফিসদা চংলি। মরুপ অমদা থাপা অমতং পীবিনবা হায়জৈ। মরুপ অসিনা ঐঙোন্দা কেলেনদর অমা থুংশিন্নবিরে। মপালদা থোকলকলগা ঐখোয় অনি চা কাপ অমা-মম থকমিন্নৈ। কেলেনদরসি 'বিবেকানন্দা লাইব্রেরী' দা থুদোল তৌনবগীদমক কন্যাকুমারী য়ৌনা পুগদৌরিবনি।

এপ্রিলগী চৈচং ১০, **Manipur State Road Transport (M.S.R.T.C.)** গী লোইশংদা চংলি। শিলচরদা চংনবগী-

দমক ত্রিকেঃ অমা লৌই। মোইবাংখোমদগী হনলকলগা ঐহাক নিপা কৈথেললোমদা চৎলি, কোল অমাতংস্ন লৈনিংই। অতুম-ওইনমক, তুমিং অসি নোং য়ামনা চুই। ঐহাক নোং হাংবা চাইত্তুনা লৈরে। মতম তাইবা ওইনা প্রতাপ অমস্নং ভিকতোরি মিংউকুশ্মৈফম (সিনেমা) দগী মী থোকললকপা য়েংলি। কোল লৈরুবা তমদরে, নোং শুপহাক-হাংদবে।

নোং-তানবগদি ঐহাক শিলচবদা হনলগদবনি। নোংতানলে।

অযুক অতনবনি। উপু মচাসি পায়রগা ঐহাক **MSRTC** গী লোইশংদা লাকই। মী মযাম গাবী তাইনবমই: 'মীয়াম অসিবু অহিং নোংশোইবা তূমনবকতরববা?' মীযাম লম চংলমদাইগী রা-রা লাউত্তুনা লৈবমই।

'কাংলৈপাক কাংওল পোৎপু' (শমনা 'কাংপোৎ') সি মচু অতাংবা তৈ। অতোবা মচুনা মমিং **'Manipur State Road Transport'** ই। ঐহাক বাস-দা তোংখৎলি। **Seat** অহাংবা অমা-অনিদি লৈবি, **Conductor** না থোং গম লোনশিনলি। পুং মতা-মথাইমুকতং তাবি, গারী থারে। **State Assembly, Post Office, Governor House,** ভিকেন্দ্রজিৎ লমবী লান-থোকলে। খমবা মিংউকুশ্মৈফমগী মনাক য়োরে। 'জিবি পার-কিংদা' গারী থামই। চৎনগদবা মী খরা কাখৎলকই।

গাবী থাবে। শাগোলবন্, তেরা, তাকয়েল লানথোকলে। লৌবুক মচা খবাস্মু লানথোকলে, থুমবোম লানথোকতুনা ইমফালদগী কিঃ মিঃ ১৮ লাকলে, কৈথেল মানবী য়েৌবে। উমংলোইশং মচা অমা লৈ, GREF গী অফিসস্মু লৈ। Check Gateনি, গারী ঙাইহাক থামই, নমবর entry তৌরগা চংলে।

গাবীসি অমুক থৌবে। গারীনা চীংলমবী অসিদা জ্-জ্ চেনখংলি। চীংথক অসিদি লোয়না মরু কোকই। বীরেন অঙ্গস্মং-শীবেনবু নিংশিংই। মথোয়না ময়ুম লমদম থাদোকখিবদু নিং-শিংলকই। খোংচং অতুবু উরিরৈনা 'খোংনিং কাংখংলগস্মু' য়েংজখি। মীতৈ লৈপাককী 'উবিরৈ' ময়ামবু ঐহাকনা নিংশিংই। 'মাধবী' ময়ামবু শিংথাজনিংই, যেং-যেংনা ইমফাল মাযকৈ লাপথোকখরে। কমলগী 'কানচি' লমদম লৈহৌবে, লংথবালস্মু লাপথোকখরে। গাবীনা নোংচুপ পাংনা চেনশিনলি, ঙাক্রম চীংজিল লানথোকলে; ইমফাল মায়কৈ শুপউ-উদরে।

গাবী অসি পুংদা কিঃ মিঃ ২০ গী চাংদা চেনলি। লমবীগী নাকল অনিদা উপাল ময়াম হৌই। চীংলোন অমগী মথং অমনি। কৈথেল মানবীদগী কিঃ মিঃ ১২ মুক লাকলে। ফকলাংমুক ঙনবা চীং অমা উবাফংই। হৌজিক-হৌজিক কিনথগদবস্মু মানলি। মিহুল-থাহুলকা পিং-পিং চোংই। শিবগী থায়াংতা চংশিনলব-গুমই। চীংখাদা য়েংববু লৈচিন-নোংফাই ওইনা উই। মফমসি

লমবী য়ামনা ফংতে। ইমফালদগী কিঃ মিঃ ৫০ লাকলে, ঐখোয় 'তুপুল' য়েৌরে।

ভসিসি নোং য়ামনা চুই, নোং চুমনবদগী ঈশিংনা রা-রা পাথবগা চেনলে। লমবী ময়াদা লৈবা য়ুম খরা লানখোকলে। ইমফালদগী কিঃ মিঃ ৬৬ লাকলে। নোনে কৈখেল য়েৌবদা পুং মাপলগা মিনিং ৩০ তারে।

মী অয়ামবনা চাক চানৈ, চা থকনবস্থ য়াগুই। ঐদি করি'মতা চানিংদে, তল ময়োম অনিখক লৈরগা থমই।

গারী থারে, থোং মচা অমা লানলি। মথাদা চেনলিবা ঈশিংসি লৈনাং ওইনা উই। 'তোংজৈ মবিলগী' লমবীসি মতম অমদদি খোংনা চৎনরমলিবনি। 'মুমিৎ মরিনিগী লমবীনি' হায়নরমলিবনি। হৌজিককী মতমদদি **New Cachar Road** হায়রগা থংনরে। চীংমুং অসিদা **C.R.P.** না থোং শণ্ডলি। নোং চুরবস্থ দিউতি-দি কায়বা য়াদ্রি। অচুগা ভসিগী শইনদি চীংমীনা কোকতা 'সম' পুরগা চৎপা উদরে। শীংজং অমস্থং থাঙ পায়রগা চীং কাবস্থ উদরে, নোং চুমনবদগী মপালদা থোকনদরে।

'Central Reserve Police'—কাসমিরগী বানিহালদা, দিল্লীগী চানক্যপুরীদা, ইমফালগী থব্রাইবমবন্-দা খোদাং তৌহনা লৈগনলি। মখোয়সি লমবী চৎপা ঐগ্দি মরুপ শান্নরবগুমলে।

মকুপ, নহাকপু যুমদা পাউ চেনগদবকা লৈববা ? ঐহাকনা পাউ অহু পুখিগেদনা· ··· ।

নোনেদগী গারী থৌগৎলে। অরাংখুল লানথোকলে। পুং তরা মিনিং তবামডা তারে। ইরং তুরেল লানথোকলে, পুং ১১ তাবে। খোংশাং, রেংপাংস্তু মথং মথং লানথোকলে, পুং ১১ তাবে। চীংলোন খবাগস্তু লানথোকলগা যুম ময়াম লৈবা উই, ইখণ্ড খণ্ডহৌদনা 'নুংবা' কৈথেল য়োবে।

পুং ১১ মিনিং ২৫ তাবে।

নুংবা হায়বসি থোইনা চাউবা কৈথেল নংঙে, চান-থকনবা য়োনবা তুকান খরা লৈ। লমদমসিদা চীংমীশিংগী পোৎচঃ চে-চাকতমক য়োনবা তুকানশিংনি! বিহাবদগী লাকপা মী খবাস্তু তুকান ফমলগা লৈবা উই।

নুংবা চীংদোনদগী মথাদা য়েংবা য়ামনা ফজে। কাসমিরগী শালিমার লৈকোলবু মানলি। ঐনা য়েংলিবসি ফজবগী মকোন য়ৌরবগুমই। সিবিনগবদা লৈবা নিশাদ বাগ-ব নিংশিংলকই। বৃনদাবন গারদেনগুম শৈথাজনিংই। ফজবসি হেন্না-থোইনা ফজননবা খুংশেমগী ফজবস্তু হাপচিনফম থোকই।

বাংগালি খবা য়াওই। মখোয়সি তোয়না লম চংথোক-চংশিন তৌরবা মী মানলি, শেললুপগী পোং য়োনবা নংভবগা পোং থেনবা মী মানলি। মখোয়না চাংদমলকই—লমবী লমদাংসি

কবা য়াংলি. 'আগরতলা—ধর্মনগর লমদাংদগী হেন্না ফংতে ।'
ঐহাকসু লমবী অতুদা ইপুম থিংপমথৈগী লাকখি । আগরতলাদগী
শিলচর ফাওবা পুং ১২ চংখি । লমচংপা হায়বসিতবু য়াবা জাংনি ।
থো চং অমগী য়াফমনি । সিরিনগরদগী জম্মু ফাওবনি, পুং ১২ গী
লমবীনি । চংন-চংনা লমবী লোইরবোইদবগুম থনখি । কাশমিরদগী
জম্মু ফাওবা লমবী-লমদাংদি য়ামনা ফৈ, লৈকোলগী মবকতা থেক-
কোয়তুনা চংপগুমই ।

পামলো উননবগীদমক চীংমায় কোকথোকলগা থমই । য়ান-
থ্বিবা উপাল হৈপালসি য়েংহৈদে । ইংখোলদা হৌবা উপাল
য়ানথংপগুমবনি । মতম কুইবগা চীশিং-নুংশিংকী ফিভম শাথিন,
হোংবা তাবে । তুংগী মীবোন্না তেংথাবা হায়বতু ওইবা তাবে । য়াথল
মুন্না খনথদবগী খুদম উংলে ।

গ্রীফ (GREF) গী মীনা লমবী-থোং শেমজিনলি । গাবী চংপা
য়ানববা কন্না হোংনবি । মখোয়গী পুনসিসি চীংলকদতা লেনবা হায-
বতুনি । গ্রীফ—নখোয়বু মুংবাদসু থবক শূরগা লৈবা উই ।
মিজোরামদসু থবক শূরগা লৈবা উই । নয়ুন লমদমদা পাউকা
পীনিংদববা, পাউ অতু 'লম চংপা ঐহাকনা পুখিগেদনা· … ' ।

লমদাং ফনা শাংনা লাকলে. অশাংবা চীংলমবী অমসু লানথোক্লে
ববাক (গোরাই) তুবেল য়ৌরে । চন্দ্রকিবতি মহারাজনা জিলা-
দরবার* লাকলমবগী য়ারী অতু নিংশিংলকই । লমবী য়ামনা ফংত্রিবা

*ইং চহি ১৮৭৭ গী আগস খাদা থোকখিবা য়াফমনি ।

মতমনি। 'কংলা মীফম' যাওননবগী খোংচংনি। লৈশং জাত্রানা লৈতান যৌরি শমলগা তুরেল লানখি। মতম অসিগা চাংদমনয়বদি মওং যামনা খেল্লরে। ঙসিদি মীয়ামনা গারীদা ক্ষমলগা খোং লানলি। খুদোংচাবসি মতমনা পুবকপা অহোংবা হায়বা তারে। ঐহাকনা অথোবা অনিগী মফমদা কোক নোনজবি, ইনিংথৌ অনিবু ঐহাকনা ইকাযখুমনবা উংচবি।

অাবা লানগাইবগী মতমনি*। চহি ১৫০ গী মমাংনি। থাংজম জহ অমম্লুং তুসসিনা কাসাবদা লাকখি। ঐগীদি ইধৌ অনিনি। আসামদা লৈবা 'থাংজম' শাগে ময়াম মখোয় অনিগী চাবোন-শুরোননি। চহি ১৫০ গী মতুং ওইরবস্থ শুরোন-না খুবমজবি। তোনলবা শুরোনগী কোক পায়বগা নানথবিউ।

বরাক তুরেল লানথোকলে। কিঃ মিঃ ৬ মুক লাকলে, লমবীসি মবাক য়ামনা চপই। য়েংলোমদনা 'সোবাবেনমুক' রাংবা চীং লৈ। ওয়বোমদনা লোকবা তপ-নপতুনা চংলি। অঙমবসি য়েংথবদা তু চুংবা যৌনা অকিবা পোকই। মী অয়ামবনা গাবীগী মপালদা য়েংথোকনদে। থোং অসি মফম চাফংতে, খাবোমদা চংথোকতুনা শারবদতা খুদোংচাবা হায়বত্থু ওইগনি।

কৈমায়, ওইনামলোং লানথোকলে। জিরি য়ৌগদবা কিঃ মিঃ ৫০ মুকতং ঙায়বে। নোংচুপলোমদা য়েংই। 'জিরিতম' উবা ফংই।

---

* চহি তবেং খুনতাকপা ১৮১৯-১৮২৬।

গ্রীফগী কেমপ্-দা গুরুদুৱারা অমসুং মহাদেৱকী লাইশং শাগংলি। মক্রুগী থোং উবা ফংলে। Shri D R Kohli বু নিংশিংই, তাং ১৬-১১-১৯৭১ দা মহাকনা থোংসিবু য়েংবা লাকখি, থোং লান-থোকলে, মুর্মিং তারবগুম তৌবে। জিনো, কৈপুনদাই লানথোকলে। গুলারথোল (শামুপুনবী) দা গাবী থামই।

কোয়া পামবী মশক উবা ফংলে। মী থবা কুমথৈ। গাবী থারে। শবোক অতিংবী লানথোকলে। 'কা লৈপাক কাংগল পোৎপু' থৌলুপ জিরি কৈথেলদা থুংই।

জিবিতমসি লম মচা ওইনা উই। জিনি হায়বসি মনিপুরগী নোংচুপ খম থেংবা লমদমনি। মীতৈগী শকতম অমসুং খুজম তুং কোইনা মাংদনবা হোৎনবদি চুমই। লমদমসিবু মনিপুরনা মুংশিবিফম থোকই। গারী থাবগা থোং অহাইবিমা লানলি। মনিপুর লানথোকলে, তেখাওদা চংশিনলে। পুংখাইনা চীং-লমবী চংলি। ফুলেবতল, পোইলাপুল, আলিপুর, বাসকানদি, বোং-পুর লানথোকতুনা শিলচরগী সদরঘাৎ-তা বাস থামলে। নুমিদাংগী পুং তরা তারে। ঐহাক রাবনা কাংওলকা তোংনিংদবে। কাং-গল তোংবকা থীরে। অয়ুক পুং মঙা-মথায়দা তোংলকপানি, নুমিদাং পুং তরা তাবদা কুমই, অঙকপা থোংচৎনি।

রাফম থরাদি মরু ওইনা হায়জনিংই, মদুদি পং ১৬ চীং

লমবীদা ড্রাইভরনা গারী থৌরগা লাক্কখি, মথংগী নুমিৎতা অমুক হন্না গারী থৌরগা হনগদবা ড্রাইভরনি । পুং ১৬ হক্চাংবু নৈহৎলি । ড্রাইভরবু নুংশিবা উৎকম থোকই। চীংলোন মাপল লাক্লবা গারী থৌরকখি। মিরাইবা য়াদরবা শিনকমনি। গারী থৌবা হৈ, থৌদাংদা পুকনিং চংই, থৌনা কৈ।

ঐহাককী খোংচৎ অসি কন্যাকুমারী য়ৌগদৌরিবনি। কন্যা-কুমারী য়ৌরুরগা অমুক ব্বারী শান্নসি। ইচিল-ইনাও ফমমিন্নতুনা ব্না তান্নসি। মীতৈনা পাংথোকফম থোকপা থৌদাংগী মবমদা ব্না খন্নসি। ওসিগীদমকতদি ঐখোয় লমবী কায়নরসি।

মথংগী খোংচৎতি গৌহাতি য়ৌনা চৎকদবনি। শিলচরদগী গৌহাতিদি ট্রেন তোংলগা চৎকদবনি।

APPENDIX—I

কৈথেল মানবীদগী তুপুল ফাওবা লমবীসি **Survey** তৌবদা অশোয়বা লৈ। ভাপ্রুম চীংজিনগী মখাদা **Road Tunnel** তুপুললোমদা শমজিনলবদি অশমবা লমবী ওই, মৎতরগা কৈথেল-মানবীদগী য়েৎলোম চীংগোনদা লমবী ফাওদোকফম থোকই। জম্মুদগী সিরিনগর লমবীদা **Road Tunnel** লৈ। বোমবেদগী পুনা চৎপদা **Road Tunnel** লৈ। **New Cachar Road** দা অখোয়বা লমদাং ময়াম লৈ, মতুদি—অরাং খুলদগী খোংশাং,

কৈমাই য়েৌরমদাইদগী ওইনামলোং, কৈপুনদাইদগী লৈডাংপোকপীনি লমবী চুমথোকলবদি ইমফাল—জিরিম অয়ুক চাকচামাংমগী লমবী ওইবা য়াগনি।

আইজল চৎনবা লমবী ফংতে,—চাংদমনবদা লমবী অসিসু ফংতে। কাসমিরদা লে' চৎনবা লম্বী ফংতে, চাংদমনবদা লম্বী অসিসু তশেংনা ফংতে। কৈমাই য়েৌগদবা কিঃ মিঃ ১৭ মুক রাংলি, লমবী মত্তেক অমা ফংমন্না ফংতে। য়েৎলোমদা চপ য়ুংবা চীংনি। 'ওনথগদবা নুংচুম' লিংলগা চৎপগুমই। ওয়রোমদসু চপ ভমবা লোকনি। খনলুবদা হুমাং অনপপী কায়।

ইমফাল তমদগী—জিরিভম য়েৌবা লমবীসি অরাং-খা চিংশাং ককলগা শেমবনি। নোংপোক-নোংচুপ চৎনবগী হোৎনবদা লমদাং অহেনবা য়ামনা চৎলি।

APPENDIX—II

ইমফালদগী শিলচর খোংচৎসি রারীগী পরিং ওইনা শেমঙবনি। ইমফাল—শিলচর বাস, (চয়োলদা অক্লমলক) নোংজা ২৭-১২-১৯৭৯ (শংগোলশেন সুমিৎ) দগী চেনবা হৌখি। বাস নমবর 'এমঃ এনঃ পিঃ ৬৯৭' না অহানবা চেনবা গারীনি। লাইবক থীবা রাকম হায়রম্লনি—নোংজা ১১-৪-১৯৭৬ গী বাস শুংবোদা

অহিং লেনবা তাখি। ঐহাক ইশামক বাসদা ফমলগা অহিং লেনখি। **Land Slide** ওইবদগী শারী চেনবদা অপনবা য়ামনা থোকখি।

* * *

শিলচরদগী গৌহাতি

(অরাপপা কিঃ মিঃ ৩৯৫)

খোংচৎ : ২০২-কাবা কাসার পেসেনজার

(নোংজা ১৪-৫-১৯৭৬)

ইমফালদগী শিলচর কাওবা লাকলে। মথংদি গৌহাতি কাওবা চংকদবনি।

মেগী চৈচং ১৪, ১৯৭৬ নি। অয়ুক ভনলি, ঐহাক ইরুং-মায়থজন্নগা লাইনিংথৌ খুরমবা চংলি। 'মালেম তমপাকতা লতম কুইনা তাইবংপান্দ চিনজাক চাবা ফংজগে, পুনসি হুংশাংনা হিংবা ওইজগে' হায়দুনা নি। 'নুংমুক খাওবা কনজগে, নুংমুক

খুভম চেৎপা ফংজগে' নি। মসি থাংজম লাইনিংথৌ খুরমবগী লাইরানি।

লাইখুরমলুরগা ঐহাকনা পুগদবা পোৎচৈগী মমিং-মথা হুথোকই। মমিং ইরগা পোৎ-চৈ পুবসি ঐহাককী চেকশিনজবা শাজেলনি।

চাকশংদা চংলগা চাক খরা চারে, চরা য়ানবগী মশংনি। ফি-রোলগী ফমুং মচা অমা শেমই। **Hold-all** হায়না খং-নবদুনি। খোংশানবগী পুংফম য়োরে। ইমাবু খুরমই—'লাইনিং-থৌবু কাউগনু, য়ুমলাইবু চেৎনা নিংউ, মতম লৈবা খিবিকতা য়ুম-লাইবু কাউফদে' হায়রদুনা ঐগী কোকতা নানথবিরে।

ইচলনুপীবু কৌশিনলগা মখুৎতা লাইরিক অমা পী। 'লাইবিক কম্না তমলম্মু, নবুং হুৎলুখিগে' হায়রে ইচলনুপীগী মমিংতা পি শিনথরিবসি উবদা ঐহাক থম্মোয় পুগু'মদে। য়েংগুমদরবস্থু য়েংতুনা ঐহাক খোংশানদোকলে, পিরাং ফাজিনলদুনা ঐহাক খোংথাং কন-খৎলে। ইমানা ইচল-নুপীবু থেমজিনহৌই।

থোংগান য়োবদা ভং মচা অমগা থৈনৈ। নোংমু থিংলি-থিলি চুই। চৎ-চৎনা গারী থাফম য়োরে, ঐহাক গারীদা তোংখৎলে। অয়ুককী পুং মাপল খরা হেনলে। কন্যাকুমারীগীদমক খোংশানলি।

পানথোইবা মহৈশং, থৌপল মরুপ, খুন্নাইশং লানথোকলে। লমাবম নিংশিংথুদম, থোইবী মহৈশং লানথোকলে। "হন্নমুক

লেংবিরকসি” হায়বা **Bill Board** লানখোকতুনা সোনাই য়ৌবে, গারী ভাইহাক খামই। মী অমা অনি কাবকই, মিনিৎ ১৫ মুক গারী চেনলগা রাংগিরখারি য়ৌরে। সুভাসপী শকশেম লানথোক-তুনা শিলচরগী প্রেমতোলা বাস স্তেন য়ৌবে। গাবীদগী কুমলগা খোংনা থৌবা রিকসা অমদা তোংখংলি। ত্রেন থাকম ফাওবা লাকলে। ভারা পৈসা সিকি'মা রিকসা থৌবদা পীবে।

ঐহাক রেলরেগী লোইশংদা চংই। হান্নদগী তিকেৎ লৌরগা থমবা খোংচৎনি। হিপফম (**Berth**) গীদমক লুপা মণ্ডা অহেনবা পীরগা চেশক অমা লৌই। ঐহাক ৎিংওল (ত্রেন) দা কাখংলে।

চীংওলদা কমলগা ঐহাক রাখল খনলি। থাংজম লাইনিংথৌগী ফিবাল অহু রাংনা পাইহৌই। পানথোইবা মহৈশংগী মনিংদু চাউনা ই। চেফোং খরা পুরিবসি কন্যাকুমারীগী 'বিবেকানন্দ লাইব্রেরীদা' পীরুগদোবিবনি। মীয়ামনা পোৎ-চৈ থাংদোক-থাংজিন তৌনবি। পুং ১১ মিনিৎ ২৫ তাবে। কাংশি মবোল য়াওদবা খরা য়ৈবকই। মীয়ামনা কোইয়েং-কোইয়েং য়েংথোকনৈ। চিংওলদা পরুপ-পবপ তোংখৎপসু য়াওই। মীয়াম খুং হাই-নবসু য়াওই, ঐহাককীদি 'খুং হাইবিনবা' মী লৈতে। ঐহাককী পুকনিং-লাইয়ুম পুমহাং-হাংই, ত্রেন থারে।

অচেনবা ত্রেনদগী য়েংথোকই। লমবীগী মনাকতা মীয়ামনা থবক শুনরি। লৌবুকতা ঈশিং লাকৎ-লাকৎ তুংই। তারাপুর

লানথোকতুনা মাসিমপুর য়ৌবে। মাসিমপুর হায়বসি স্তেসন মচানি, ত্রেন থারে। কাত্রাখাল, বদরপুরঘাৎ লানথোকলে। বদরপুর লমলোং য়ৌরে। ঙসিগী এইনা অহানবা লমলক চাকচা চাং য়েংবা তারে। 'ময়াংনা থোংবা' চাক-এনশাংনি। "চাকসি য়াইবা মুনদে, এনশাংগী মচ ফজদে, ঙানম্-খুমনমদে" হায়গনবা ঐহাকনি। অতুবু ঙসিদি ওন্ন-তৈনবা হায়বদুনি। চবোন পুমনমক চিথোকপা চাক চাবা তারে, ঐনা হৈনদবা চাকচানি, চাক চারিবসি ইচম-ইচমই, হাউতে, মুঙাইতে, ঐ হৈনদে। চাক চাবা লোইরে। লুপা ৩ পৈশা ৩০ পীবা তারে। ঐহাকনা বদরপুরদা অসুক হাউতবা চাক-এনশাং চাবা তাখি।

স্তেসনদা মিনিং ৩৫ গা ঙাইবে। ত্রেন থাগদোরবা মানলি। ত্রেনগী মনিংলোমদা "উ" "উ" খোংলকই। গদক্-গদক্ কম্না মখোল থোকই। ত্রেন থারে। কিঃ মিঃ মথায়মুক চেনলগা থোং অচোবা অমা লানলি। চহি চামগী মমাংদা ব্রিতিসনা শাবিরমবা থোংজাওনি। সুকৃতিপুর স্তেসন লানথোকলেঃ হিল্লারা, বিহারা স্তেসন অনিসু লানথোকলে। চন্দ্রনাথপুর লানথোক-তুনা অহানবা বোদা য়ৌরে। বোদা মমুংসি ইমম্-মমই, কোইলাগী মখুনা কাউমৈ খুবগুম লোক পংখুত্রা খুই। কোইলাগী মকুপসি নিংতা চংই, ঙাইহাক শোব থিংলগা তুমিন-তুমিন লৈ। ঙুক-ঙুনা মম্বা বোদা লানথোকলে। বোদা অসি মিতার ২০১ শাংই।

লমদনসিগী উনংদি খুং লোম্নবগুম শোংই । রা য়ামনা হৌই । দানশোরা স্তেসন লানথোকলে। খরাদং চৎপমকতদা অনিশুনা বৌদা লাননি । দিজেল ইনজিন ওইববদি মৈখ্ থোকপা খরাতা ওইরবস্থ শাকগদবনি। কাউমৈ খুরগা চৎপা মওংগা চপ নাম্নরে। বৌদা লানবা হায়বসি অরাবগী মশকনি।

ট্রেনা ত্রেন তোংলগা চংলিবা লমবী অসিগী মমিং 'পাহার লাইন' কৌই। 'পাহার লাইন' শেমবিরমবা হায়বসি থবক য়ামনা শৃবিবনবগী খুদমনি । শা-কৈ য়ামনা লৈরিঙৈ মতমগী রাফমনি। চহি চাম' মমাংগী রানি । মতম অতুদা শামু লমশা ময়ামবু তানখায়রবগা, কৈ-শওন ময়ামবু তানথোকতুনা থোং অমস্থং বৌদা শেমবিরমলিবনি। বৌদা হন্ননবা মেসিন ইংলেন-দগী পুরকখিবনি। বৌদাদা তৈবিবা সিমেন অসিমক ইংলেন-দা শাবনি । গারী অমস্থং ত্রেন লমবী লৈত্রিবা মতমনি । ইলেকত্রিক থাউমৈগী খুদোংচাবা ফংদ্রিবা মতমনি। মতম অতুদা বৌদা হনতুনা লমবী শেমবিরমলিবসি য়ামনা চাউরবা থৌদাংনি। মীপুম খুদিংমকনা থম্মোয পেন্না থাগংকদবা ওই ।

চিংওন্ট লমবীগী ময়াদা তুরেল্ল অমা চেনলি। তুরেল অসিদা অঙাং খবা ইরুজরি । ইরুবা তোকলতুনা মখোয়না ত্রেনদা য়েংলি। অচনবা পুনসি হায়বতুনি। খুন্নংদা লেনবা পুনসিগী মওংনি ।


দিতকশোরা লানথোকলে । চারংগজাও য়োরে। ত্রেনগী

মনিংদসু ইনজিন পানশিনলে। হাবংগজাওদগী অঙমবা কাখৎলি। জাতিংগা স্তেসন ফাওবা ইনখৎলগা চংলি। বাগেভার লান-থোকল্লে। নুমিৎ তারকপগী মতমনি। লোরার হাফলোংদা থুংলে। মীয়াম চাক চাননবগীদমক চেনশিল্লে।

এসু অফিং-অফাই ওইনা চেনবা হৌই। মতম য়ামনা তহা-তহাবা মওংনি। পোং থাদোকসনবগী পুকনিংদা চিংনবা পোকই। মফম অনৌবা ওইবদগীসু শৌবিং-শৌবিং ফমই, চাক চাবা লোই-বদা শোর মপি হোনলি। চাকলুককী মমল অহাযবত্তা পীবগা থোরকই। প্লেৎফোমদা উহৈ-রাহৈ য়োনলিবসি য়েংই। উহৈ মচা অমত্তা ওইরবসু লৈরগা চানি.ই। য়োনলিবা (লফোই) চবী অসিদি ঐহাকনা কৈদৌঙৈদসু লৈনিংবা পোকতে।

ত্রেনদা কাখৎলে, পুং তরেৎ-মখায় তারে। থাউমৈদি মুসি-মুসিতং ভানলি। নুমিদাংনিনা য়েংলু-য়েংলুবা মায়কৈদা অমম্বত্তবু উবা ফংই। ত্রেননা চেনলিবসি 'অমম্বত্তা থিবগা চেনশিনবা' হায়ববু য়ারে। মীয়াম পোৎথানবগী থৌবাংলে। ঐসু পোৎথানবগী থৌরাংলে।

অহিংগী পুং অমামুক তাবা মতমনি। ঐহাক মিংকপ থোকই। অহুম ওইনমক তুমশিল্লহনা লৈ। নোংয়াই মতুং ওইবদগী ঐহাক তুমবা হোৎনিংদে, ট্রেনসি লামদিং জংসনদা খামহনা লৈ। ইংশোক ১৯৬৬ গী রাকমনি। লামদিংদা বোম পোকখাইখি। মঙুওমবা



শিলচরদগী গৌহাটি

অকিবা থৌদোকতু হন্না থোকতনবা ঐহাকনা লাই খুরুমই।

ট্রেনদা তুমবা হায়বসি খরবাংদা হিপলগা মতম লেনরমনরি। খোঙ লোয়না তিংথোকপা য়াদে। কল-কারখানাগী মখুংগুম গদক্-গদক্ লাওই, য়োং মশেল ফুজিন্নবগী অকনবা মথোল থোকই। মমিদাং লেনখরে। অয়ুককী পুং মরিমুক তারে, হোজাই য়ৌরে। হোজাইদা ঐগা খংনবা মী ময়াম লৈ। থাংজম-দগী খুল হোংলগা চংখিবা য়ুম ময়াম লৈ। হোজাই হায়বসি মীতৈ পুংনা তাবা মফমনি।

ট্রেন থারে, চাপরমুখ লানথোকলে। মকনসি কুমসিগী নোং চুদ্রিবা মওং মানলি। লৌউ-শিংউবগী থবকসি ইশু-শুনদ্রি। নিংথমফৌদি মুনবা য়াওরে। মপাল অশাংপসু ময়াওই, চাং নাইনা নোং চুবা ওইরবদি লৌবুকসি ইশং-শ না উগদবনি।

পুং নিপাল মিনিৎ নিফু তারে। দিগারু লানথোকলে। নেমতক তৌবা চীং ইনক-নকনা উবা ফংই। কুংতক তৌবা পাংসু পংলৈমক লৈ। লমসি অতোং-অকুৎ য়ামনা লৈ। উপাল মখল অমা পংহৌ-হৌই। 'উচোন' হায়না খংনবতুনি।

ট্রেন খোং-খোংতুনা চেনগি। ব্রহ্মপুত্র তুরেলসু উবা ফংলে। তিনগী য়ুম ময়াম লৈবা উই। লমবীগী নাকল অনিদা চাং মচা-মচা ময়াম লৈ। তাউন অচৌবা মদা থুংলগদবা মওং মানলি। 'নুনমাতি' লাংথোকলে। ভারৎ সরকারগী থাউগু ফমদা উতোং

অরাংবা থিনগংপা উই। উতোংদগী মৈরি কাবস্নু উই। গদক্-গদক্ মখোল হেন্না তাবা ফংলে। প্লেংকোমদা ত্রেন চংশদোরে, খজিকতং চেনবমকতনা স্তেসন য়োরে। গোহাতিদা থুংলে। অম্বুককী পুং মাপল-মথায়মুক তারে। খোংচং অসি প়ুং ২৪ খরা হেন্না চংই।

পোং মচা অসি পায়রগা ঐহাক কুমথরে। চিংওল খামফমদগী খোকলে। রিকসা অমদা তোংখংলে। লমাবম লৈবক ফাওবা লাকই, রিকসা থৌবদা পৈসা সিকি'মা পীরে। ঐহাকনা পৈসা সিকি অমা পীখোকপদা করি'মতা নাচুংবা পোকখিদে। "পৈসাগী মমল লৈতবগুম" খনখিবা ঐহাক মরাল অচৌব'মদি প়ুববনি।

বদরপ়ুব—লামদিং লমবীদা বৌদা ৩৭ থক লৈ। প়ুনা—বোমবে লমবীদস্নু চীংনুংহুৎ ময়াম লৈ। প়ুনা—বোমবে লমবীদি **Broad Gauge** ওইবতা নৎতনা **Double line** নি। বৌদা ৩৭ প়ু চহি চাম'গী মমাংদা মাল্লেসা-না শেমবিরমবনি। হেলিকপতর পাইদ্রিবা মতমনি, লমবী-থোং শেমদ্রিবা মতমনি। খৃঃ ১৮৭৩ দা থবক শৃবা হৌবগা খৃঃ ১৯০৩ দা লোইশিনখি। চহি তরামাথোই চংনা শৃখিবা থবকনি। শৃবিরমলিবা থবক অসি চহি চাম'মুক শুবে। লমবী শেমবিরমবগী কান্নবসি শিংখাত্না লোইবা ভমলরোই। বেল গারীনা মী লিকপু (crore) কয়াবু প়ুরগা চেনখরে। অকবা থবক শৃবিরমবগী চাউববা থুদম ওইরি। ভসি

ফাওবদা কাম্নরা ফংহুনা লৈরি। মতুংদস্থ কাম্নবা ফংহুনা লৈখিগনি।

লমদম অসিবু চাওখৎননবা মলেসা-না লমবী-থোং শেমবি-বমই। মথোয়না শেমবিরমবা লমবী অসি সনাগা পাংখক ওইনা কাম্নবা ওইরি। কিঃ মিঃ ১৮০ তং লাপনবা বদরপুব অমস্থং লামদিং লমবীনি, উকু অমস্থং থোং ৫০০ হেম্না শাবিরমই। খোয়-খোয়না শাবা থোং য়াওরি, চীংগোন অমদগী অতোপপা চীংগোন লান-থোকনবা থোং য়াওই। থোং শাবা অমস্থং বোদা হনবগীদমকতা হুমাং শিনথখিবা থৌমিশিং অতুদা ঐহাকনা তৌবিমল খংবা উৎচবি। থবক রাহুনা 'মায়দগী হুমাং তৈথোকখিবা মথোয় ময়ামবু খুরমজরি। চহি চাম'গী মতুং ওইববস্থ ঐহাকনা মখোয়বু পুনেমজবি।

তোয়না চৎপদগীস্থ ঐহাকনা 'পাহার লাইনবু' হেম্নগা স্থংশিবা পোকই। স্থংশিববু ফোংদোকচবা ওইনা ঐহাকনা থৌমীশিং অতুগী মফমদা হম্নগা কোক নোনজরি।

লমবী অসি অহানবগী ওইনা ঐহাক ১৯৬২ দা চৎখি। অঙাং ওইবদগী পাবুংনা পুবিখিবা খোংচৎনি। মতম অতুদদি পেসেনজরগী মশিং য়ামখিদে। মী লীকমনবদগী 'ফমফম শোয়-নবনালে' হায়হুনা রাখলদা খনজখি। **Reservation Centre** হাযবকা শুপলৈ-লৈবমদে। অতুম ওইনমক, ভসি চহি ১৪ গী মতুংদা ওইবিবসিদি মওং তোঙানলে। মী য়ামনহুনা ত্রেন কাফম

খংদে। ট্রেনা কলম পায়রগা চৎপা মুমিং অসিদি রাখল অহেনবমু খলহনলি। শিলচরদগীমু B.G. রেল তোংবগী খুদোং চাবা ফং-খিগনি, B.G. ট্রেন তোংলগা লমদা চৎমিন্নখিগনি।

* * *

গৌহাতিদগী কলিকাতা

(অরাপপা কিঃ মিঃ ১০৯৬)

খোংচৎ : ৬-কুমবা/৬০-কুমবা কামরূপ একসপ্রেস

(নেংজা ১৬-৫-১৯৭৫)

খোংচৎ অসি ইমফালদগী লাকপনি। গৌহাতিদগী কলিকাতা ফাওবা ট্রেন তোংলগা চৎকদবনি। লমবী অসিগী কিঃ মিঃ ১৭১ লাপপা নিউবোনগাইগাও ফাওবা 'অখুবা রেল' লমবীনি। লেমহৌরিবা কিঃমিঃ ৯২০ না 'অপাকপা রেল' লমবীনি। Indian **Railway** দা মখল অহুমগী লমবী লৈ, মহুদি—Broad Gauge

(শমনা BG), Metre Gauge (শমনা MG) অমসুং Narrow Gauge শমনা (NG) নি। গৌহাত্তিদগী নিউবোনগাইগাও (NBQ) ফাওবা MG লাইননি, অদুগা NBQ দগী হাওবা ফাওবা BG লমবীনি।

চৈচং ১৬-৫-১৯৭৫ নি, ঙসিংথিলগী পুং অমা-নথাযমুক তাবে। ঐ কামরূপ একস্প্রেসতা তো'খংলি, ত্রেন মঙ্গংদা ফমলগা যেং-থোকই, মীয়ামনা ত্রেন ঙাইনবি। লকোই-সতং য়েনবা হুকান মচা থবা উবা ফংই। মীয়াম মবকসিদা কুচু মুনবং তৌবা মীওইনা মশিং হেনলি। বাংগালি মানবা শককমনা মশিং-যামই। পুং অমা মিনিং ৪০ চংলে। কলিকাতা পাংনা ত্রেন চংপা হৌরে। পুং ১৫ গী লমবী চেনগদৌবিবনি। থাংজম লৈবক, লমাবম কৈথেল লানথোকলে। পলত্তোন কৈথেল, লাথত্তোকিনা, ফাসি কৈথেল লানথোকলে। কামাখ্যাচীং লৈহৌবে। Northeast Frontier Railway গী Headquarters মালিগাও লানথোকলে। গৌহাতি মালেম মহৈকোন বেল লমবীগী ওযরোমদা লৈ। চী'ওল লমবীসি পাং ময়াইদা লৈপাক থোনগংনগা চংপা মানলি। যেং-লোমদা থোইরপ চংলগা থো' অচৌবা অমা উবা ফংই। শরাইঘাট থোংনি। থোং লানলিভৈদা মীয়ামনা 'ব্রহ্মপুত্র'দা পৈশা কংলি। পৈশা লংথকগী মখোল তেং-তেং লাউনা তাবা ফই। থোং অসি ফুং ৪২৫৮ শাংই, ১৯৬৩ দা শাবা লোইখি। থোং শাবদা

পানবা চিংওলনি। ঐনা তোংগদবা কাখলসি ঙংলে। তোংখংলগা পোৎয়োমসি থমফমদা থাংগৎলে। যোংনাও ময়াগী ফমফমদা ফমই।

'লমদাংসি কয়া য়ামনা লাকলে', অতুগা 'কয়া য়ামনা চংকদবসু নৈবি'। কলিকাতা ফাওবগী লমবীসি তবেৎলক চংলে, হংগৎ-হনদা তরামরিরকপু স্নবে। ঐগী রাখলসি অমরোমদমুক খনলকই। আগরতলাদগী শিলচরদা লাকপা খোংচংনি, ত্রিপুরা স্তেৎ রোদ বাস তোংলগা লাকখি। পুং ১১ চংখি। মতমদুগী 'জাম এয়ার' হায়বদু তোংবা ফংখিদে, ঐনা লাককদবা নোংমা-নিনিদু জাম এয়ার সারভিস লৈখিদে।

ঐনা ফমলিবসি রাখলনা পিক থনলি। মীয়ামনা ফমফন্ ফংনদবগী লাংনবি। লাংনরিবা অসির্দা থৌদি কয়া শাকদে। মায়কৈমদা পোৎ য়োনবনসু লাংলি, ঐগী রাখলদি কায়দনা খনলি। মতম ওাইহাক লৈনখ্রে। ইনাকতা ফমগদবা নিপা অনিসি লাকলে। পোৎ হোলহনলকপদা 'পোৎপুনল' পীননবগী পৈসা অচোয়বা হায়নরকই। মখোয় মশেনগী তরকানি। ঐহাক তুমিন্না তাই। পৈসা অচোয়বা পীথক্লে। মখোয়সু ফমলে।

মতম অসিমকতদা নহারোল খরা লাকই। মখোয়গী রাখলসি তহা-তহাই। 'চাক চাগদরা', 'চাক চাগদরা' হায়দুনা হংলি। নিপা অমনদি 'চাক চাগদরা' 'চাক চাগদরা' হায়দুনা ঐঙোমদা অহংননা

হংলি। ঐস্লু মাঙোনদা ঙনশিনলগা হংই, "মহাকনা চাক হায-রিবসি কদায়দা পীগদৌরিবনো ? পুং কয়া তাবদা পীগদৌবিবনো ? মহাকনা খুমলকই, "অদোমনা অপামবা মফমদা পীজগে—পুং নিপাল-মখায়দা ওইবগা ফকিরাগ্রামদা, মাপল-মখায়দা ওইরগা আলিপুবদুরাবদা, পুং তবাদা পায়গা নিউকোচবিহাবদা প্রবক্কে" মফম ময়াম চিনকাদগী হায়খরে। মথংদমুক হংলকই, "কবি হাবিগ-দবনো—ঙাবা, শাবা, য়েকুমলা, মনা-মশিংলা ?" ঐনা হংই, 'ঙাগীনা কয়া, মনা-মশিংগীনা কয়া ?' শা, ঙা অমসুং য়েকুমগী মমল লুপা অঙুম পৈসা হুমংতবামচা, মনা-মশিংগীনা লুপা অঙুমগা সিকিনি। ঐনা হায—'ঐগীদি মনা-মশিং ওইনা পূবিবকউ, ফমফম নমবর ৩৬ দা পুরকউ, ফকিবাগ্রামদা পীউ।' মহাকনা চে মচেৎ অমদা ইশিনলগা চংখবে।

ফমকম পুমনমকতা মী ফমলে। মতম ঙাইহাকস্মু লেনলি। চিংগুলগী খা থংবদা নিপামনা অচা-অথক যোনলি। নংহৌর-বোইদবগুম তল য়োনলি। তল অসি হাউগদবদি মানলি, মৈথকতগী লোথবতা ঙায়বি। এনশাংসিদি হাউগদবা মানদে, আলুগা—মংগ্রাগা ময়ান তুয়ান থোংই। মংগ্রা থোংলগা পীজবি। ঐহাক ইশামকতি 'মংগ্রা হায়বসি থোংলগা চায়' হায়বা খংলমদে।

মতম ঙাইহাক হৌখরে। চিংগুল থাবগী পুংফম য়ৌরে। মুমিদাংগী পুং তবেৎ-মখায় তারে। ত্রেন হাওরাগীদমক চৎপা

হৌরে। স্টেসনগী অরাংবসি তপনা-তপনা থমলমলে। চিংওল গদক্-গদক্ চেনবা হৌরে। পুংদা কিঃ মিঃ ৫০ গী চাংদা চেনলি। বাস্ গাও অমস্তুং কোকরাঝার লানথোকলে। ফকিরাগ্রাম জংসনদা থুংই। ডাসাই শিঙখিবা চাকতু পুরকলে। থাউমৈস্তু মুসি-মুসি তৌই, ট্রেন কন্না চেনলি, থোক থোক নোমবা মফমনি, মা-মাতুনা চাবা হৌই। লিকলিদগী ঈশিং থকই, চাক-এনশাং নংতবা চাশিনলবস্তু খংদবে। অমমবদা চাবগা অমহানি। ঐবু তিল-কাং চাশিনলববা খংদবে। চাক চাবা লোইরে। পুং ১০ মুক তারে, ঐহাক পোৎথারে।

ট্রেনা মিৎকপ থোকপদা অগুককী পুং তরেৎকা মিনিৎ ১৫ তাবমই। দোং-দোং লাউবা অকনবা মখোল হৌবকই। থোংগী মথকতা ট্রেন চেনলি, ফারককা থোংনি। হনদক-মরক কলিকাতদা মীকম অমা চৎথরি। ম ফম অতুদা বাংলাদেশ অমস্তুং হনদিযার্গা অফিসাবশিং রা ডাংনবি। বাংলাদেশকী 'ভাসানি'বু চেকশিন্না লৈননবা পাউতাক পীবি। বাংলাদেশকী 'ভাসানি'না ফাবককা ফাওবা লাকক নি হায়বি। রাবী শান্নবগী মরু ওইবা রাফমদি—বাংলাদেশনা 'ঈশিং য়াননা থাদোকপিউ' হায়তুনা দিমানদ্ তৌবনি।

থোং লানথোকলে। অবুক অওনবনি। ইঙন্-ঙন্না 'চাক হাবগী' মী লাকই। 'চাক চাগদরা'—'চাক চাগদরা' হায়তুনা হংলরে।

চাক হারবা অমদা ঐহাকনা হংই, 'নহাককী চাকসি কদাইদা পীগদৌরিবনো ?' খুমললকই, 'নবদীপতা পীগদৌরিবনি'। 'নবদীপ' হায়বমকতদা লাইখুবমফমবু নিংশিংই। কাসার, তখেল, মনিপুর, হোজাইদগী মীয়ামনা লাইখুবমবা চংলি। নবদীপ স্তেসনদা লু কোকথোকপা লাইনিংলোইশিংনা ফমললগা ত্রেন ঙাইগনলি। 'লু কোকথোকপা' অতুগী রাহনখোক খংবা ঙমননবা ঐহাকনা কোক নোনলতুনা নিজরি।

চাক হংলবদি ময়ামনি। অমদা ঐনা হায, "মনা-মশিং গুইনা পুরকউ, ফমফম মশিং ৩৬ দা পুবকউ।" হিশিনলগা চংখরে। ঐ তুমিন্না লৈহৌই।

ত্রেনদগী য়েংথোকই। শল-হাংমে ময়াম শজিক চাবি; অবা-পপদা ইবোই ময়ামসু উবা ফংই। মফম অমামগদনা কোরা, লফু অমসুং যুবী পামবী হৌবা উই। পুং অনিমুককী লমদাং লাকলে। নবদীপতা থুংই। ঙসাই শিঙখিবা চাকসি পুরকতুনা পীবরে। মোংখরবা কো(ল)ঙৌগী খুজাইদা ঈশিং হাপই। মোংলবা কোঙৌগী পুখমদা ইতৈ-তৈনা চাক হাপই। এনশাংনা পুখমদা চেনথরে। ফজ-ফজদবগী মওং শুপথন-খনলুদবা মানলি। ঐ পুকনিংদা কপ-কপনা চাক চায়। অসুক মোংপা চাক-এন-শাংসি ঐনা চারে। মশক খংদবা মফমদগী শোকপা ঈশিংসি খুজাইদগী থাংগৎলগা থকই। ঐ কপই ... ঐ তশেংনা কপই।

ঐহাক য়ুমদা নোংমা ফাওবা অচমবা ঈশিং থকত্তে, অদুবু মক্ষম অসিদদি থকলে। শিলচরদগী থকলকলবনি। য়ুমদদি অফুৎপা ঈশিং ফাওবা 'মতম কয়া কুইরে' হায়দুনা হংই। হৌজিকতি তুকা থিবা য়াদরে। চাক চাবা লোইবে। ত্রেনস্থু কন্না চেনলি। পুং অনিগী মতুং হাওবা (কলিকাতা) দা থুংই। মতম পুং ১৪ চংই।

ঐ ইমফালদা মীতৈলোল ঙাংই, শিলচরদনা বাংলা ঙাই, তেথাওদনা তেথাওলোল ঙাংই, কলিকাতাদনা হৌজিক বাংলালোল ঙাংলি। কলিকাতাদগী থা পাংনা লম অতৈস্থু চৎলবদি অতোপ-অতোপপা লোল ঙাংনবা তাবা ফংগনি, মদুদি—ওরিয়া তেলেগু, তামিল, কানাবা, মালায়ালম—অদুগা কন্যাকুমারীদদি তামিললোল ঙাংনবা মফমনি। ঐহাক ইশাগী ওইনদি—মীতৈলোনদা ওইনা শকতাক থিজগে, মীতৈলোলদা ওইনা শকখংবা ফংজগে।

কলিকাতাগী ৱারী—

কলিকতা হায়বা সিতিসি তাং ২৪-৮-১৬৯০ (নোংমাইজিং সুমিৎ) দা Job charnock কৌবা ইংলিশ নিপা অমনা 'লিংখৎলমবনি'। Job charnock না চহি ৩০০ মমাংদা 'খুনদ্রা-খিবা' লম অদুগী মমিং 'সুতানাতি' কৌই। মতম অদুদা সুতানাতিগী মওংদি 'গোরিয়ান অমসুং লমওককী মকোননি'। খাংপোক

অমসুং হি খরাগী মতেং লৌরগা চারনোকনা লেনখি। (মতম অদুগী 'চৌরংগী'দি উমংনি, জংগলনি)।

ইংশোক ১৬৯৬ নি। মোগল নিংথৌরেল ঔরংগজেবগী মতমনি। 'সুতানাত্তি'দগী নোংচুপতা লৈবা অচৌবা জমিদার খরা লাল হৌরকখি। মসিদা বেংগলগী নবাব (গোভবনর) না মালেসা লল্লোনববু লালবল শেমসগা লৈননবগী অয়াবা য়াথং লাউথোকখি। বৃতিসনা য়ামনা পামজবা "বেংগলদা লম লৌবা' হায়বদুগী খুদোংচাবা ফংখি। ১৬৯৮ দা মলেসা লল্লোনবনা সুপনতংগী লুপা ১৬০০০ পীরগা 'সুতানাতি' 'খালকাতা' 'গবিন্দপুব' কৌবা খুল অহুমগী "জমিদারী অধিকার" লৌখি। অদুগা লালবল শাখি। লালবল অদুবু মতম অদুগী বৃতিস নিংথৌ উইলিয়াম (১৬৮৮—১৭০২) গী মিং লৌদুনা **Fort William** মিংথোনখি। **Fort William** গী মায়কৈ মরিদা লল্লোন-ইতিক তৌফম ওইনা চাউথোরকপসি কলিকাতাগী শকতমনি। খৃঃ ১৭১৭ দা ইংলিশ **Company** না **Fort William** গী মায়কৈগী মরিদা লৈবা খুল ৩৮ স লৌশিনখি। মসিনা, মতমসিগী অচৌবা কলিকাতা ওইরকপদা মতেং ওইখি।

বেংগলদা ইব্রাহিম খাননা গোভরনর ওইবগী মতমনি। মহাকনা "ইস ইনদিয়া কোমপানিদগী" চহিদা লুপা ৩০০০ তং খাজনা লৌরগা লল্লোন-ইতিক তৌবগী অয়াবা পীখি। অয়াবা

অসিনা ভারৎতা বৃতিস লৈভাক ওইহনলকপগী অচৌবা মরম ওইখি। "সুতানাতি"বু বৃতিস ইনদিয়াগী কোম্পুং ওইনা লৈরক-পদগী 'কলিকাতা' খাংচাউ-চাউখৎখি। ব্রাকম অমাত্তং নিংশিংবা য়াই, মতুদি—বোমবেগী গোভরনর অমসুং বোমবে সিতিবু শেম-গৎলমবা **Gerald Aungier (1669)** নসু ইনদাইরেকলি কলি-কাতা শেমগৎপদা মতেং তৌখি। মদুদি—'মতিক চানা লালবল শেমগৎলবদতা মালেসাগী লন্ডোন-ইতিক তৌবদা পুকনিং লৈতা-গদবা ওই' হায়বসি মহাকনা উবা ফংখি, অমসুং শেমগৎননবা ব্রা তাম্লবদা য়াওখি।

কলিকাতাবু "লিংখৎলমবা'—**Father of Calcutta'** হায়না খংনবা **Job Charnok** তাং ১০-১-১৬৯৩ দা লোংগাখি। তাং ২৪-৮-১৬৯০ দা কলিকাতাগী চহি চহুমশুবা মপোক কুমগুন থোকখি।

কলিকাতা হায়বসি য়ামনা মী চিনবা সিতিনি। মী চিন-মনবদগী চৎথোক-চশিনদা নুঙাইতে। লমবীদা ত্রাফিক জাম তোয়না ওইবা সিতনি। মী কুঙমনবগী হৌনবা—লমবী মোৎলি, থুনামবা য়ামনা লৈ, নোং চুরগা লৈথোম থোকই। সিত্রি বাসতা তোংবা ঙমদবমখৈগী মী চিনলি। কলিকাতা অমসুং হাওরাদা মনিপুরগী মীশিং শরুক তরুক (১২০ লাখ) লৈ। **Decongestion** গী উপায় হায়ববু য়ুম অনৌবা শাব্রা পুমথিং-থিংগদবনি। ব্রেস

বেংগলগী কেপিতেল হোংদোককদবনি। মী কুংমনবদগী সিতি অমা ওইনা লৈবদা হুংঙাইতে।

রাক্তম থরাম্ব হায়জনিংই, মত্তদি—ইনদিয়াগী মনুংদা লৈবদা নংঙাইবা সিতিসি নিউ দিললিনি, য়ামনা ইংনা-তপনা শানতিদা লৈবা য়াবঙ্গি বাংগলোর সিতিনি, তশেংনা কোসমোপলিতন সিতিগী অমম্মুং ললোন-ইতিককী ইরাংগা লোয়নছুনা লৈবা ওইরগা —বোমবে সিতিনি। লোকেল ত্রেন তোংবদা খুদোংচাবা সিতিসি বোমবেনি। বাস তোংবদা খুদোংচাবনা দিললিনি। মাদ্রাজ হায়বসিনা কলিকাতাম্ব নংতবা, দিললিম্ব নংতবা—তোঙানবা মওং অমনি, সিতি ওইনদি দিললিগা মান্নবগুম চাউই। তামিলনা মশিং হেনবা সিতিনি। কলিকাতা যামনা শুলাংই, নিংথমবদি ইলৈ-লৈতে। মাদ্রাজ শুলাংবা মফমনি, নিংথমবা লৈতে। বোমবেদা নিংথমবা লৈতে, দিললি শুলাংবস্থ য়ক লাউই, নিংথমবস্থ ভরৎ-ভবং চিংশিনলি।

কলিকাতাদা য়েংগদবা মফমশিং—

হাওরা ব্রিজ (থোং)--

হুগলি তুরেলগী মথকতা শাবা থোংনি। ১৯৪১ দা শাবা-লোইখি। হেক য়েংথোকখিবদা য়োং অরাং-অরাংবা য়ুংখৎলগা লৈবা উই। য়োং অচৌবা য়ুংলিবসি মিতার ৮০ রাংই। থোং অসি

মিতার ৪৫০ শাংই, মিতাব ২১ পাকই। গাবী তরুক অমুকত্তদা ফাংননা চংপা য়াই। ত্রাম চংনবা লমবী অনিথকস্ৄ লৈ। নাকল অনিদা মিতার ৪.৫ পাকপা চংনবা লমবী অনিথকস্ৄ লৈ।

চৌরিংগী—

মসি কলিকাতাদা "কে-মৌবগী" মফম হায়বা তাই। নৃমিদাংদা থাউমৈ য়ামনা থানলি। নৃমিদাংরাইরমগী মতম হংগৎ-হনদা চংতুনা য়েংবদা ফজে। হোতেল, সিনেমা হোল, দুকান মযাম লৈ। মীয়াম তিনলি।

বেলুর মোথ, রামকৃসনো লাইশং—

হাওরা স্তেসনদগী কিঃ মিঃ তরুক-মথায়মুক চংলগা লৈ। হুগলি তুরেলগী মপালনি। আমেরিকাগী লাইনিংলোই অনিনা খুদোল তৌরকতুনা শাবা লাইশংসি য়েংবা ফজে। ভারৎ অমস্ু মপালদগী লাকপা মী য়ামনা তিনলি, য়ামনা 'মপুক তপ্পা' লমদম ওইনস্ৄ উই।

বিরলা প্লানেতোরিয়াম—

জওহরলাল নেহরু অমসুং সেকস্‌পিয়ার সরণী লমলোং মনাকতা লৈবা 'নোংথক' য়েংফমনি। সিনেমা হোলগুমবা মুখনি। মনুংদা

চংলগা য়েংবদা 'থৱানমিচাক ময়াম থোকপা নোংথক' মানলি। নোং মংদবা নুমিদাংগী নোংথকতা য়েংবগুম ফজে।

ইনদিয়ান মিউজিয়ম–

'জাদুঘর' হায়না খংনবা মিউজিয়ম-সি জওহরলাল নেহরু লমবীদগী চংগদবনি। য়েংবদা লোইবা নাইদবগুম য়ামনা চাউই। মথোল অনিদমক্তু কারণা য়েংবা য়াই। মিউজিয়ম অসিদা উচেক, শা-ঙা, অমদি অবি-অবিবা পোৎসক ময়াম থমই। মসি য়ামনা চাউবা মিউজিয়মনি। শগোলশেন নুনিং থোং থিংই।

জোরাসাকো থাকুরবারী—

দৱারকানাথ থাকুর লমবী ময়াদা লৈবা য়ুমনি। মালেম ফাওনা মমিং চৎপা রবিন্দ্রনাথ থাকুরগী পোকনফমনি। রবিন্দ্রনাথ থাকুরবু নিংশিংতুনা য়েংবা যাবা মফমনি।

নেতাজি ভবন—

ভবন অসি ৩৪/২ এলগিন রোদতা লৈ। মী য়ামনা য়েংবা লাকই। নেতাজি সুভাস চন্দ্র বোসগী য়ুমনি। ১৯৪১ দা সুভাস য়ুম অসিদগী থোকলগা ভারৎ থাদোকখি। মফম অসিদা সুভাসনা শিজিন্নরমবা পোং-চৈ খরা মীয়ামনা য়েংননবা থমই।

নিউ মারকেৎ—

কলিকাতা কোরপোরেসন অফিসগী মনাকতা লৈবা কৈথেলনি। পোৎ মখল মথেল য়ামনা য়োনবা কৈথেলনি। দুকান ২০০০ হেন্না লৈ। দুকানগী পবেংদা পোৎ মখল অমামমন্তং য়োনলি। পোৎ মখল অমামমগী দুকানশিং পুন-পুন্না লৈবা অচৌবা কৈথেলনি।

Victoria Memorial—

কলিকাতা মোইদানগী থা-নোংপোকতা লৈবা ফজবা দলালনি। আগ্রাগী তাজমহলগুমবা ফুবানি। অঙৌবা মারবেল নুংনা শাবা ফুরানি। ইংলেনগী মহারানী ভিকতোরিয়াগী নিংশিং-যুম এইনা শাখিবনি। যুমসেপ নুং **King Geoge V** তাং ৪-১-১৯০৬ দা য়ুংবিরমবনি। মুমিদাংশ্লাইবমদা য়েংবা য়ামনা ফজৈ, মী য়ামনা তিনলি।

* * *

কলিকাতাদগী মাদ্রাজ

(অবাপপা কিঃ মিঃ ১৬৬৩)

খোংচৎ : ৩-কাবা মাদ্রাজ মেল

(নোংজা ১৭-৫-১৯৭৬)

লমদাংসি ইমফালদগী শিলচর শিলচরদগী গৌহাতি, গৌহাতিদগী কলিকাতা য়ৌনা লাকলে। মথং খোংচংনা কলিকতাদগী মাদ্রাজনি।

কলিকাতাদগী মাদ্রাজ চৎপদা নোংমা-মথায় চংই। নুমিদাংরাইবন পুং ৭ মিনিৎ ৩০ দগী চৎপা হৌবগা মথং নুমিৎ চুপপা ট্রেন চেনগদবনি, নোং ঙানলগা অয়ুক অঙনবদা থুংগদবনি। অরাপপনা কিং মি ১৬৬৩ নি।

হাওরা স্টেসন হায়বসি কৈথেল তরা-তবাগী মী তিনলি। ট্রেন থুংলবা মতম ওইববদি অমুকক। তেন্না মী তিনলি। ঐহাক **Cloack Room** (পোৎ শিন্নফম) গী মায়কৈ তমনা চংলি। পোৎ শিন্নফম য়ৌবদা মী অনিথক ঙাইবগা লৈবমই। মখোয়গী পোৎ থমখবে। ঐগা পোৎ মেসিনদা অরুমবা ওনলে, রসিদ অমা শারগা পীরকলে।

ইরু-মায়থজবে। **South Eastern Railway Headquarters** দা চৎকদবনি। ঐহাক হাওবা রেল স্তেসনগী লৈম্বুং-লমবী (Sub-way) দা কুমথরে। লৈনুং ওইরবস্থু থাউমৈ মরাং কায়না থানবদগী পুমঙান ঙানদ্রি। 'লৈম্বুংদা চৎপা লমবীনি' হায়বসি খংবা ঙমদে! তাং ৩১-১-১৯৭৫ নোংচুপ বাংলাগী মনত্রি মকোক **S S Ray** না হাংদোপিখিবনি। লৈনুংলমবী অসি-দস্থু লমলোং লৈ, ঐহাকনা ওয় থংবা লমবীদা চৎলি। অঙমবা খুদা থবা কাখৎলে। লৈমায় য়োবে।

মীযামনা ত্রাম তোংগদবগী ঙাইবি। ঐহাক বাস-স্তেন য়োরে। বাস নমবর ৬ দা তোংখৎলি। য়েংথোকপদা হাওরা-গী থোং উবা ফংই। রাং-রাংনা য়োংকী যুমবী মযাম য়ুংখৎলি। যুমবীসি কোনবা থু দবমখৈগী চাউই। মশিং থিজনা য়েংবরু ১৫০ হেনলি। উশিংদা মখোং যুংদজনা নোংথকলোমদা মখোং য়ুংখৎলি। মুন্না য়েংলগা 'অঙকপা মখল অমনি' হায়বা য়াই। গাবী মবি অমুকত্তদা খমবাংননা চেনলি। ওয় থংবদা অনি, অজ্বগা মায়ওকলোমদগী গাবী অনি চেনলবা মতুং নাকল অনিদা মী চৎননবা লমবী অনিস্থু লৈ। খোংনা চৎনবা লমবীসি ফুং ১৪´—১৪´ পাকই। থোংথকতা ত্রাম চেন্নবা লমবীস্থু লৈ। নোংমদা গাবী 'লিশিং ৫০' চেনবা থোংনি। ইংশোক ১৯৪১ দা শাবা লোইশিনখি। ভুবেল অসিগী মমিং 'হুগলি' কৌই। থোং অসি ফুং ২১৫০ শাংই।

থোং লানবগা লমবী মথকত্তা লৈকংথোং (Fly-over) শাবা উই। লম চিনখরবা মফমনি, থোং শাবগী থবক চংথরি, গারীশু চেনলি, মীশু চংনম্মি। মীশু কুংনা লৈমনখরে। গারীশু য়ামন্-খরে। থোং লানথোকলে। বাস নমবর ৬ না Strand Road দা চংলি। Brabourne Road অমসুং বি-বি-দি বাগ লান-থোকলে। নাক-য়েংতা ফকলাংগুমনা রাংবা দালান লৈ। Old Court House Street য়ৌরে। ইউনাইতেদ বেংক ওফ ইনদি-য়াগী H. Q. উবা ফংলে, 16 old Court House Street গী দালাননি। দালান অসি 'শেল থমফম' (বেংক) হায়বমক য়াই, য়ামনা চাউই, রাংই। ঐহাক বাজ ভবন-গী মনাক য়ৌরে। Esplanade East সু য়ৌবে, ঐহাক কুমথরে। মফম অসিদা অমনবা দালান অমা লৈ, মায়কৈ খা ওনলি। মসিদা ইবগা থেংলি, "খা-নোংপোক চিংগুল লমবীগী রাহংকম অমসুং চেপক লৌফম"। 'South-Eastern Railway, Inquiry and Booking office' ইংবাজীনা ই। লোইশং অসিগী মাংগোনদা চংলগা য়েংববু মী ময়াম কুক কুক ইল্লনা লৈবা উই। 'মিংতগী কোৎথোকতুনা চাগে' হায়বগী মতাংগুমই। ঐনা থোংনাও অমদগী অনদা অসুম য়েংই। উচিন-নাচিন্না হংফম থোংনাও ফংলে। ১৪ সুবা থোংনাওগী মথকত্তা ইরগা থেংলি, "৩-কাবা, ৩৭-কাবা ১সুং অতৈস লাপনা চংপশিংগীদমক……।" '3-up, 37-up and

beyond' ইংরাজীনা ই। ঐহাকতি মাদ্রাজদগীস্‌ লাপনা চং-কদৌবিবনি, "অতৈস্‌ লাপনা চংপগীদমক **'Beyond'** ··· হায়বসি ওইবি। ৬-কাবা, ৩৭-কাবা হায়বদি ত্রেনগী নমববনি। ঐহাক থোংনাওগী মমাংদা লেপই। চেশক পীগদবগী থোংস্‌ (কেবানী) লাকলে, ঐনা হংই, "শিলচরদগী লাকপা পানথোইবনা চংনবা ৬-কাবা মাদ্রাজ চিংওলদা ফমফম পিবিববরা ?" মহাকনা 'মিংই-লাইবিক' (রেজিসতার)দা য়েংলগা খুমবিবকই, "আদোমগী মিং ২৬ শুবদা ভাইহুনা লৈ।" **'Your name is wait-listed at No. 26'**। ঐহাক ব্লাহং অতৈমুক হংদরে। কেরানিদা 'থাগংচবি' হায়বমই। বাস নমবর ৬ তোংলগা হাওরাদা লাকলে।

ফমফম মশক খংলগা চংপগী থৌবাং লৈতবে, **Berth** বিজ্ঞার-বেসন ফংদবে। ঐহাক 'ফমফম ফংলবোই' হায়তুনা য়ামনা থুকং-পস্‌ পোকতে। চাক ভনলপ চাথোকলে। **Cloack** রুমদা চংতুনা পোং লৌথোকলে। ফমুং-ময়োম মচাসি পায়খংলে, কাংথকপাক (প্রেৎফোবম) ১২ শুবদা লাকলগা ফমলি। মীয়াম থবক কয়া শূনবি। পোৎপু ইনবনে, চিংবু-চিংবনে, পুবু-পুবনে,—মৈচ্যাং পাই-বমখৈগী থবক শূনবি।

ঐ ভূমিন্না ফমলগা লৈ। নিপা অমা চংলকই। ফুবিৎ অঙাংবা লিংলি। ঐঙোনদা হংলকই, "বাবু, কদাইদা

লেংবিগদৌরিবনো ? মাদ্রাজ মেলনা চংকদবরা ? ফমফম লৈরবরা ?” ঐহাকনা থুমই, “ঐহাক মাদ্রাজ মেলনা চংকদবনি, ফমফম লৈত্রি” মতেং য়ামনা পাংনিংবা মানলি,—“ফমফম পীজগে, লুপা ১০ তং পিবিউ” হায়রকই। ঐহাকনা থুং মচা অনিখক উংলি, ইবাংদা ‘অনিত’ হায়। মহাক য়ারকতে, তাথত্নুনা লুপা মঙা ফাওবা হায়রকই। ঐস, য়ানিংবা উংতে। ফমফম মশক খংদরবস, ঐহাক ‘মাদ্রাজ য়ৌনা চংকনি’ হায়বগীদি থাজবা থমলি। ঐহাক চংস চংকনি।

পুং তরেং তাগদৌবে। মাদ্রাজ চিংওলগী পুংফম য়ৌগদৌবে। চিংওলসি লাকপু লাকলে। মীয়াম তোংখৎনখরে, খামফম যৌদ্রিহৈদা মীনা থনখিগদৌবে। ফমফম মশক খংলগা চংপগী থৌবাং লৈবা নংতে, ঐহাক ‘শিরগা শি—চংলগা চং’ —পোৎসি পায়বগা শং কাখৎলি। সেকেনদ অমদা কিলোয়াৎ ১০০০গী এনার্জি শিজিন্নবমগদবা মানলি। ফমফম অনিখক ফংই। হযিং পাইশিনলকপগুম চিংওল মনুংদা মীনা পিক থনলি। ঐনা ‘অহেনবা’ ফমফমসি নিপা অমদা পীথোকলে। মহাক ত্রিভানদ্রম ফাওবা চংকনি হায়রকই। মীয়ামনা উপু থমজিনলি, ফি-বোল শেমজিনলি। অকনবা ‘হকচাং শাজেল’ মখল অমনি। অঙম-অঙমবা পাংগল পুথোকনবগী ব্রাফমনি।

পুং তরেৎ-মথায় তাবে। চিংওল থারগদবা মানলি।

থাউমৈ অঙাংবা 'রেদ সিগনেল' মুৎখবে, মচু অশংবা উবা ফংই। ত্রেন চংকদবস্থু মানলে। Guard-না 'পি-পি লাউবী' খোংলকই। 'তপনা' নিকপগুম তৌরগা ত্রেন চংপা হৌরে। থাউমৈগী পরেং—শিলপংগী পরেং অস্থুম লৈহৌই। চিংওলসি অচেম্মনা চেনলে, হাওরা জংসন থমলমলে।

কল্লা চেনলি। পুংদা কিঃ মিঃ ৬০ চেনবগী চাংনি। কিঃ মিঃ ১১৬ লাপপা খরগ্পুর পুং অনিগী মতুংদা থুংই। মিৎকুপ খবা খামই। ঐহাক পোৎথানবগী থৌরাংলে।

হিপকদৌরিবসি তেরাগী মোমপাকতা নৎতে, পুংহিপত হিপকদৌবিবনি। ঙাইহাক ফমফমদা উইরগা ঐহাক তুমথবে। অহিং লেনখরে।

ত্রেনা হৌগৎলকপদা বেবহামপুব চিংগল খামফম য়োরমলে। অহিং চুপপাদা বালাশোর, ভাদ্রক, কাতক, ভুবনেশোর, খুরদা-রোদ, পুরি লানথোকলমলে। চিন-য়া শেংদোকলে, অয়ুককী পুং তরেৎমুক তাবে। চাননবা অচা-অথককী মওং য়েংই, ইদল্লি-বোরা মরিখকতা লুপা অমা হায়রকই। মমলসি তাংমনবগুম তৌই, ঐহাক খনজানৈ। ত্রোতিদা চংলগা ঈশিং খন্না থকই। হাওরাদগী পুরকপা হৈথুম অমা লৌথোকলগা চায়। ইদল্লি-বোরাসি চানিংলবস্থু 'মমল তাঙমনলি' খনজুনা লৈরগা চাদরে।

ত্রেন থারে। য়ামনা য়াংনা চেনজি। কিঃ মিঃ ৮০ গী

চাংদা চেনলি। উরিস্যা লানথোকলে। মতম অসিমকত্তদা Train Ticket Examiner (TTE) চংলকই, মথং-মথং তিকেৎ য়েংলি, ঐগী তিকেৎসু য়েংলে। তিকেৎ য়েংবা নিপাসি অহল ওইরে। অনধ্র প্রদেশগী 'পালাশা' হায়বা মফম য়ৌরে। ষ্টেসন মচা ওইরবস্রু অচা-অথক ময়াম য়োনলি। খা-ভারৎকী ওইবা ইদলি-বোরানা থরা হেক্না য়োনলি। লফোই কৈনিংহুনা মমল হংই। লফোই মরিখকত্তা লুপা অমা হায়রকই। তিবিবাম নৎত্তবগা ফুলেবতোল কৈথেলদা লফোই লফাং অমাগী মমল লুপা'মা য়ৌদে। লমদম অসিদদি লুপা অমাগী লফোই মরি-থকত্তং তোই। লফোইসি মমল তাঙমনবদগী রাখলদা থকচানরে, ঐহাক লফোইসি লৈরগা চাদরে।

চিংগুলসি পুংদা কিঃ মিঃ ৬০/৭০ য়াঙনা চেনলি। লৌবুক লমহাং ময়াম লানথোকলে। রেল লমবী মনাকতা তেনা 'শেনপাক মানবা' পামবী ময়াম হৌই, সিবিকাকুলম বোদ লানথোকলে, পুং মাপলমুক তারে। ত্রেন লেপত্তবগথৈগী চেনলি।

অনধ্র প্রদেশকী মীসি ফি অঙৌবা মচু য়ামনা শিজিন্নৈ। চহিদা অহল ওইরবদি ফুবিৎ অঙৌবা লিংলি, অচুগা ফৈজোম থুপত্তিনলগা লুংগী ওইনা শেৎলি। মুর্পাদি মচু হানা লাংবা শারী শেৎলি। কুচুদি অয়ামবনা মুই। মুপীনা শমদা লৈ থেৎলগসু চৎলি, মী অয়ামবগী কুচুগা—শমগী মচুগা মান্নবা হায়বহুনি।

বিজয়নগরম্ লানথোকলে।

পুং ১২ মুক তারে, চাক চাফম ৱালতিয়ার য়ৌরে। পরপ-পরপ কুমথরে। চাক চাফম হোতেল য়েৌনবা চেনলি। হান্না থুংলুনবা চেনলিবনি। ঐনা তোংলকপা কাথলদি মতোন-ৱাইনি, মরম অসিনা থরা শাংনা চেনবা তারে, মীয়াম লম-জেন থাক্লুনা চেনলি। চাকতি লাদা হাপলমই, তোংজে মরিনগী লাবু মানলি, শুং-শাকা শুপহাম-হামদোকতে। ঐখোয়না শোর থিংলগা চাক চায়, অফং-অফংবা হুকই। লমলককী চাকচানি, পুকতা পরপ-পরপ হাপচিন্নবা হোংনৈ। হাউদি হাউই, চাক চাবা লোইবদা শোর মপি হোনলি। মমলদি লুপা ২ পৈশা ৬৫ তনি! মুপী-অঙাংদি হোতেল য়ৌনা চেনবা ঙমদবদগী চাক চাবা ফংখিদরে। ৱালতিয়ারগী চাকচা—পুনসি-গী কাউবা য়ারোই।

ঐহাক চিংগল থাফম ফমপাককী মতাইদা লেপই। মীয়ামগী কুম্মৈ য়েংই। ত্রেন চৎলগদবা মানলি, Guard না পি-পি লাউবী থোংলকই। ঐহাক চিংগলদা কাথৎলি। পুং ১২ মিনিৎ ৪৫ মুক তারে। চিংগল চৎপা হৌবে। পোৎথাফমদা কাথৎলগা হিপই।

তুনবা হৌগৎলকপদা চে শাফম ৱাজামুনদ্রি য়ৌবমলে। থুংথিলগী পুং মরি মিনিৎ তরামুক তারে। তোতিদা চৎতুনা মায়-মিৎ তাথোকই। য়ামনা ঙলাংবা মতমনি। 'দিগ্রী ৪৫বু'

শারমগদবা মানলি। ঐহাকনা কোইয়েং-য়েংথোকই—মীয়ামসি শক খংনবা 'মতা য়াওদে। শক খংনদবদগী ঐহাক 'ইতোমতা' লমদা চংল্লিবগুমই। পেসেনজারস্তু য়াম্মনবদগী 'কৈথেল অমা' পুরগা চংপগুমই।

ইনলগা পুবা গাবী মচানি, 'থেলা' মচানি। চাম্মু পুরি। চাম্মুসি গ্রাম ২০০ মুকনি। মমলদি লুপা'মা হায়। চাম্মু হায়-বসি ঐন। তোয়না চাগনবা উইহৈনি, চীল-লৈকা পুম্মু-মুবমখৈগী চায়। নোংজু মতমদা মপামবীদগী কেনলকপা কাওবা চা'গুমবা নংতে। অদুবু মতমসিদা গ্রাম ২০০ মুককীদমক লুপা'মা পীবু হায়বি। চাম্মুসি মুসিন মুবামখৈগী মুনলে, লৈরগদি চাদরে।

রাজামুনদ্রি লানথোকলে। থোং অশাংবা অমা লানলি। গোদাবরী তুরেলগী মথকতা শাবা থোংনি। থোং অসি ফনা শাংই, মথকতা চেনবগী লোইবা নাইদে, ফনা কুইনা চেনলি।

লম-লমগী ওইবা মহৈ-মরোং হায়বহুনি। শিলচরদনা লৌ লিংখংনহৌরে, বদরপুরদগী লামদিং লমবীদা চুজাক পামবী উরমই, মনিপুরগী লৌবুকতস্তু থবক কনবা মতমনি। গৌহাতি লানলক-পদা ফৌ অমুনবা উরমই। কলিকাতা য়ৌরকপদনা লৌ খাওগৎনবা উরমই। উরিস্যা অমসুং অনধ্র প্রাদেশদনা মো-রোক পামবী উবমই। হৌজিক-হৌজিক ত্রেননা চেনলিবা

লমদমসি ফোথোক ফবা লৌবুকনি, মফম অসি গোদাবরি—কৃসনা—পিনির তুরেলনা চেনথবা তমপাকনি। নেলোর ফাওবা ফোথোক ফবা সনাগী লৌবুকনি।

পুং ৬ তারে। ইলুরু লানথোকলে। চু পামবী অমসুং চরু ফদিং উবা ফংই। ফজবা তমপাকতা ত্রেন চেনলবসু কুম'সিগী ওইনদি নোংচুবা হৌত্রি।

হোজাইগী লৌবুক খুং-খুং কংহৌই। উবিস্যাদসু লৈকং থোকহৌই। অনধ্র প্রদেশকী লৌবুকতসু করি'মতা হৌদে, থৌগংননা উই। লৌবুকতা থাদোকলিবা শল-ইরোইসি ময়াং য়ামনা কংই। অদুবু ঈশিং তাঙবা মফম অসিদসু মী অসুম লৈ।

মতম অসি অরাং ভারৎতা ওইরবদি পাল হৌবা উগদবনি. মায়রোংবী অমদি থামেন হৌবা উগদবনি, মরক-মরকতা গেহু পামবীসু উবা ফংগদবনি। মফম-মতমগী য়াফমনি। পানজাবকী লৌবুকতি মহৈ-মরোং সুপকাং-কাংদে। মসিমকতনা 'পানজাব ইনা কথুনলি' হায়বনি। চিংওল লমবীগী মনাকতা অঙাং ময়ামনা চমোংচমোং শান্নরি। অঙাংশিংসি কৈদৌউদসু মহৈশংদা চংপা মানদে। য়াইক-যুমবালগী থোল্লাউনা লমদমসি য়োবা ভমদরে। করমবা সরকারনা খুংগংগীদমক রাখল খনবিরি? করমবা সরকারনা খুংগংগীদমক রাখল অফবা শাগৎপিরি?

মুমিদাংয়াইবমনি, পুং তরেৎ-মখায় তারে। বিজয়ন্নারাদা থুংই। মী ময়াম চাক চাননবগীদমক লাংনৈ। ঐস্ম ওসাই চাক শিঙখি, চাক পুরককদববু ওাইরগা নৈ। ঐগী চাক পুবকতুনা পীররে। মথেল-মকোয়দি — হন্নায় থোংবা অমা, আচার অমা, শংগোম অফমবা অমা, 'হা' কংঙৌ অমানি। মুমিদাংদা শংগোম অফমবা চাশিনলে। চাক-এনশাংসি য়ামনা লু-নানবদি নংত্তে, ঐনা নবদীপতা চাখিবা অতুগুমবনি। চাক চাবা লোইরবে, মমল লুপা ৩ পৈশা ৭০ পীবে। মাদ্রাজ স্তেসনদি মথংগী অমুকতা থুংগদবনি, ঐহাক পোৎথাবা চংলে।

অহিংনি, পুং অহুমবু তাফাৎত্রি, মীনা পংলাং-লাংনরকই ঐস্ম লাংলিবা অসিদা য়াওই। মপালদা য়েংথোকপবু 'গুডুর' স্তেসনদমক য়োবমই। অহুবু মী পুমনমক 'কুমথবগনি' হায়ত্তুনা শেম-শারে। মুমিং নিনি চুপনা ত্রেন তোংবদগী 'কুমলগা চেননিংবা' হায়বহু য়োবে। ঐস্ম মপাললোমদা অয়েংননা য়েংথোকই। থাউমৈ ময়ামদি লাপ-লাপনা থানবা উই। পরপ-পবপ চিন-য়া শেংদোকই। ইকুজফমদগী থোকলকপদা থাওমৈগী মশিং য়ামখৎ-লমলে। অচৌবা তাউন'মদা থুংগদবগী খুদম পীরে। অযুককী পুং মরি-মখায় তাবে, য়েংথোকপদা 'বসিন ব্রিজ জংশন' ইবগা থেৎপা উই। মাদ্রাজ সেনত্রেল য়োগদোরে। 'চংবা য়াবে' হায়বগী য়াকা পীদ্রি। পুং মরি-মখাযদমক তাবি, ত্রেননা খোং-

খোঙুম। 'চংজবগে, চংজবগে' হায়বগী মন্তাংশুম ভাইবগা লৈরে। অনুককী পুং মরি মিনিং নিফুমগী তারে। মাদ্রাজদা থুংলে। মাদ্রাজ স্তেসন হায়বসি অযুক অঙনবদা লাংনবোইবে! রেল স্তেসন হায়বসি অহিংদা মী তুমনবা হায়রকা হৈতবোইরে!

তামিলনাডুগী কোন্নুং—মাদ্রাজ:

মী লাখ নিফুগী তাউনরি। তামিললোননা মপুং ওইনা ঙাংনবা লমনি। লমদম অসিদা লৈবা মীদি কুচু মুই। অরা ভারৎতা লৈবা মীশিংদগী শক-চু তোঙানলি। **Dravidian** গী শকতমনি। **Madras City** হায়বসি **Delhi** দগী খরা পিকই।

* * *

মাদ্রাজদগী বাংগলোর

(অবাপপা কিঃ মিঃ ৩৬২)

খোংচৎ ঃ ৩৯-কুমবা বৃন্দাবোন একসপ্রেস

(নোংজা ১৯-৫-১৯৭৬)

ইমফালদগী শুপনা কিঃ মিঃ ৩৪৩৮ গী লমদাং লাকল্লে। মথংদি বাংগলোর ফাওবা চংকদবনি। মসিদি বৃনদাবোন একসপ্রেস তোংলগা চংকদবনি।

'বৃনদাবোন একসপ্রেস' হায়নসি যামনা য়াঙবা ট্রেননি। ট্রেন অসি অককন্নবা মাদ্রাজদগী—বাংগলোর, অমস্তুং বাংগলোর-দগী মাদ্রাজ লম্বীদা চেনলি। ট্রেন অসিদা **1st Class** নৎতরগা **2nd Class** খায়দে। **Passenger** শিংনা চপ মান্নবা চেয়াবগুম্বদা ফমলগা চংলি। পু- মঙা খবা কেনতক চংই। ট্রেন অসি দিল্লিদগী আগ্রা চংনবা তাজ একসপ্রেসগুমবনি। তাজ একসপ্রেসদদি **1st class-2nd class** খায়, বৃনদাবোন একসপ্রেদদি খায়দে।

ফজবা ট্রেনসি তোংলগা বাংগলোরদা চংকদৌরিবনি। ট্রেন অসি তোংদ্রিঙৈনা বৃনদাবোন একসপ্রেসকী ফজবা মশক উনা ফংলবগুমই। ট্রেন অসিদা তোংননবা হান্নদগী টিকেৎ লৌবা তাই। ফমফম ফংদতুনা "হায়জরগা" চৎলবস্তু য়াঙনা

চেনবগী' মমল অত্থুদি অস্থুম্মক পীবা তাই। মসিমকনা বৃনদা-বোন একসপ্রেসকী মমিং চংপা ওইহনলি ।

মাদ্রাজদা থুংলবা মতুং ঐহাক শোব হোনদোকত্রি হায়বা য়াই। বৃনদাবোন একসপ্রেসদা তিকেৎ ফংননবা পবপ-পবপ লাকই। ঙসি-ঙসিগী তিকেৎ লৌফম (**Current Boo king**) থোংনাও মনাকতা লাকলগা লেপই। ঐগী মাংদা মী অনিখকতং লেপই। মখোয় অনিদি ত্রেনগী মমাংলোমদা তোংলকপনি। ঐদি ত্রেনগী মনিংলোমদা তোংলকই। মাংলোমদা তোংলকপা মখোয় অনিনা খুংলৈ থুবা হায়বত্থু ওইখবে।

তিকেৎ পীফমগী থোংনাও হাংদ্রি। মতম পুং মঙা তাগদৌবে। পুং মঙা তাবগা থোং হাংই। মাগী-মাগী ফমফম মশিং খংহনলকই— মী অনিগী মথংদা ঐহাককীম্থু হায়রকই, "**19/A2—39DN, 19/5**", হায়বদি— "ফমফম মশিং ১৯, কাখল শকতাক এ-অনি, চীংওলনা ৩৯-কুমবা বৃনদাবোন একস-প্রেস, নোংজা ১৯-৫-১৯৭৬"। ঐহাকনা কেবানিদা 'থেংক ইউ' হায়বমই। চেশক য়াওববনিনা ঐ শোব হোনদোকলে. রাখলদা নে তারে।

থোকলকলগা ঐ মীয়াম ঙাইফম কাদা ফমই। ফাল অশাংবনি। মীয়ামনা কাংথকপাক অসিদা মতম লেম্নবি। **Platform** সি মীনা 'পীক থনলি' হায়বা য়াই। মায়কৈ

অমদনা কোফি য়োনবনা "কোফি-কোফি" হায়ত্তুনা মীয়ামদা তাহনলি। ঐহাকতি মসিদা কয়া পুকনিং চংনা তাকদে। রাখলদা কবিগুমবা 'মা খনলি, খন্ন-খন্না কবিগুনবা 'মস্ত চাবি। অঙাং মচানা নিঙাই ফবকপাগুমবনি। ময়োমদগী তল লৌথোক-লগা চাবি। ইমানা মমদগী পীবকপা তলনি।

মতম ঙাইহাক তৌখবে। অচা-আথক খবা চানি.লকই। ঐহাককী ফমং ময়োম মচা'মা যাগই। ময়োম মচাসি পিকই, পিকমনত্তুনা রাইখু পানবা য়াদে। বেলরেগী 'পোং শিন্নফম' খুদিংমকনা 'রাইখু পানলু' হেকতা হায। মসিগীদমক ঐ অরাবনি। মতম অসিমকতদা কলিকাতাদগী লাকপা নিপা মচা'মা চংলকই। মহাকনা ঐঙোনদা হংলকই, "যামবু কদাইদা লেংবিগদৌরিবনো, বাংগলোবদবা?" ঐহাকনা 'মানি, বাংগলোবদনি' খুমই। মাঙোন-দমক ঐনা হংই, 'নহাকতি?' মানা খুমলকই, "ঐসু বংগলোবদনি, ইতোমতা হুংঙাইতবে, য়ুমগী ইমা-ইপা থাদোকত্তুনা লাকপনি, খোংবু থিবিবনি।" লানমীদা অনৌবা চংবা নিপামচানি, থবক-শাজেল (ত্রেনিং) লোইদ্রি, হুমিৎ খবনিগী অচিনবা মতম কাই-রুবনি, মাগী মতৌসি 'অঙা' মানলকই।

ঐহাকতি লমলকতা য়ামনা চেকশিনজৈ। ঐহাকনা নিপা-মচা অসিদা হংই, "নংগী য়ুম — কলিকাতা কদাইরাইদনো? কলিকাতাগী **Rab:ndra Sadan** খংবরা? ইনদিয়ান নেস-

নেল লাইব্রেরি খংবরা ? নংনা তমলকপা কোলেজ অতুগী মমিং করি কৌই ?" তশেংনা লমলকত্তা মীতোপপু থাজবা স্থুপয়া-যাদে । লমলককী গুইনা নিপা মচা অসিগা 'শক খংনবা' হায়বত্তনি । ঐখোয় অনিগী রাহং-পাউখুম লোইরে। মাংগোনদা ঐহাকনা "অযুককী চবা চানবরা ?" হংই । মহাকনা 'চাদ্রি' খুমলকই। ঐহাকনা 'চবা চাকরো' হায়বদা মা' চংখি, মহাক চাবগম্ব হনলকলে । ঐনা হংই, "বৃনদাবোন একসপ্রেসদা ফমফম লৈবরবা ?" মানা 'লৈরে, A-১ দা ১২ নি' খুমলকই ঐগী ফমফমনা A-২ দা ১৯ নি। মাগী ফমফম চেশকত্তি কলি-কাত্তাদগী লৌরকপনি । ঐগী পোং মচাসি মাংগোনদা শিন্নরে। ঐহাক মাদ্রাজ সেনত্রেল স্তেসনগী মথোল অনিদা কাখৎলে. অযুককী চবা চারে। মতম ঙাইহাকম্ব হৌখরে। তিং তিংদা উৎলকই : "বৃদাবোন একস্প্রেস কাংথকপাক অমদগী পুং তরেৎ মিনিং নিক্দা থাগনি।"

পুং তরেং তারে । ঐখোয় কাংথকপাক অমদা চৎলে, চিংগুলদা তোংখৎলে । চিংগুলদা ফমলগা ঐনা 'মাগী অহল-লমনশিং চহি কয়া শুরে, মচিন-মনাও কয়া শুই, কনানা করি থবক তৌরি' হংই । রাহংগী পাউখুমদা মহাকনা 'মাগী অহল-লমনশিং অহল ইগুই-গুইদ্রি, মচিন-মনাও অনিত্তনি—মচল নুপী অমতং লৈ' খুমলকই । মানা 'মচল নুপী অমতং লৈ' হেক

হায়বকপদা ঐনা ঐগী ইচল নুপীবু খংনিংই-নিংশিংলকই। য়ুমদা ইমানা থেমজিনহৌবত্তু হেক নিংশিংলকই। ঐহাক মাগী পাউখুমদা পুকনিং নুংশিরে, ইমা অমসুং ইচল-নুপীবু নিংশিংলে।

লমলকতা 'য়ুম নিংশিংলকপগী রাফমনি। ঐনা মাবু 'অঙাং' হায়রিবসি—ঐ ইশামকসু মাগী ময়ামবামুকতংগী চহি লেংনি। ঐঙোনদসু মীনা 'অঙাং' হাযবা যাবি। নিপা মচা অসি চহি ১৮ মকতং ওইগনি। মতম ডাইহাক তৌখরে। চিংওলসি মীনা পিক থনলে—মতমসু পুং তরেং মিনিৎ নিকু তারে। 'ট্রেন থাগদৌরে' খন্ন-খন্না— বৃনদাবন একস্প্রেস চৎপা হৌরে।

ঈশিং রাবা মতমনি। লৌবুকতা নুং মপৈ-মপৈ তোয়না উবা ফংই। যবী পামবী তোয়না উবা ফংই। কাদপবি স্টেসন লানথোকলে, জোলাবপেৎ স্টেসন লানথোকলে, বাংগাবাপেৎ অমসুং বাংগলোর কেনতোনমেনসু লানথোকলে। নুংথিলগী পুং অমা তারে, বাংগলোর সিত্তিদা থুংই।

চিংওলদগী কুমলগা যেংই। কৈথেলগী মতৌগুম মী তিনলি, গাবীসু ময়াম লৈবা উই। ঐহাকনা ওতোবিকসা লৈবা মায়কৈদা য়েংই। অতোবিকসা চাম'মুক লৈবা উই। "ডাইফম"দা চংলগা লেপপদা মী চানমুককী পরেং ওইরে। মিনিং ১৫ মুক ডাইবগা অতোবিকসাদা তো খংলে। মহারানী কোল্লেজ, **Race Co-urce, Indian Express,** কবন রোদ, এমঃ জিঃ রোদ ওইনা চংলি। য়ামনা রাংবা যুম অমা লৈবা উই। খা ভারংতা

খৱাইদগী ৱাংবা যুমনি । মমিং **"Public Utility Building"** কৌই। মৈখেৎ উপু লোন্নবা মানলি। মথোল ২৩ ৱাংই। ৱাংমনজুনা মথোল ১৩ হেনগদবা মানলি। **Trinity Church** লানথোকলে, **Air Force Hospital** য়োরে। **ASC Centre (South)** সু য়োরে। 'অচাংসি' **ASC Centre (South)** দা কুমথখ্রে। ঐখোয় অনি খুৎ শোকনবে। অতো অমুক থোরে । অরাংলোমদা চংলি। দোমলুৰ অমসুং নেসনেল এরোনোটিকেল লেবোরেটরি লানথোকলে। **Hindustan Aeronautics Limited** যোগদোরে । খজিক তং চৎপমকতনা ঐগী **Hostel** য়োরে। মথোল অনিগী যুম মমাং অসিদা কাংগ্লজম থামই । ঐনা 'বসতি' হায়জনা কৌই। ঐগী থোদাবোইনা চেনশিনলকই। ফমুং নয়োম মচাসি পাযবগা মহাকনা 'সুংকেসতো নহি' হায়বকই । ঐহাকনা 'ফি উপু পুবকতবে' হায়জনা খুমই। কাংগ্লা থোবদা ভাবা লুপা মরি পৈসা মবিফুতবা পীরে । 'চাক চাখবসি' হায়বদা মানা নোকমি-নোকমি তৌজনা পৈসা লৌই। 'চামিন্নবগী মতমসু এইবকপা যাই' হায়বগা মা' কাংগ্লদা কাখৎখি, পেসেনজর পুথোক-পুশিন তৌবসি মখোয়গীদি শিনফমনি। মা' চৎখ্রে ।

ঐগী শোড়লবা শম, নোংলবা ফিজেৎ, তফিং-তফিংলিবা ৱাখল—ইতৌসি কনানবু নুংশিবিবিগবা? ঐগী কাদা চংলে ।

অমোংপা কাওবা তৈথোক্কন্রিবা অাংবল হায়বত্নি। চে থারগা শ্নারী অসি ইশিনলি। থোংনাওদা য়েংথোকই। লমবী-লমশাংবু শিং-শিংনা মিংত্তা উবগুমই। ঐহাক কিঃ মিঃ ৩৭৮০ গী লমবী লাকলে। য়ুমদা ইমানা ইচল মুপীবু থেমজিনহৌবদু নিংশিংই। ঐহাক ইচল অমসুং ইমাবু হেন্না নুংশিবা পোকলে।

লম অতৈ চৎকদবা লৈবি। কন্যাকুমারী য়ৌনা চৎকদবনি। বাংগলোরদগী কন্যাকুমারী ফাওবা কিঃ মিঃ ৯৩৮ গী লমদাংনি, মসিদি 'আইলেন একস্প্রেস' তোংলগা চৎকদবনি।

* * *

বাংগলোরদগী কন্যাকুমারী

(অরাপপা কিঃ মিঃ ৯৩৮)

খোংচৎ ঃ ২৬-দাউন আইলেন একস্প্রেস

(নোংজাঙ্‌ঃ১৫-৫-১৯৭৭)

খোংচৎ অসি ইমফালদগী লাকপনি। মথং-মথং বাংগ-লোর ফাওবা লাকলে, কিঃ মিঃ ৩৭৮০ গী লমদাং ওইরে। মথংদি কন্যাকুমারী য়ৌনা চৎকদবনি। 'আইলেন্ একস্প্রেস' তোংলগা চংকদবনি।

ঘুনশাকৈসা নুমিৎনি। অমুককী পুং মাপলমুক তারে। মে-গী চৈচং ২৫, ১৯৭৭ নি। ঐহাক বাংগলোর রেলৱে স্তেসনদা লেপলি. কাউন্তার নমবর তবামাথোই সুবগী মমাংদা তিকেৎ ভাইরি

ঐহাককী মাংদা মী অহুমথক লেপলমবদু তিকেং লৌখরে। ঐনা রিজারবেসন ফোম্ পীশিনলগা কেরানিদা হায়, 'ত্রিভানদ্রম চংনবগী তিকেং'মতং পীবিউ।' কেরানিনা হায়রকই, 'হিপফমদি লৈতরে—ফমফম ওইনা লৈ'—'**Sorry, Berth not available Sitting only available**'। ঐহাকনা বাংগলোরদগী ত্রিভানদ্রম ফাওবা **Sitting** দা তিকেৎ অমা লৌরে। অচংমল লুপা ২৮

পৈসা হুমফুতরা পীরে, চংকদবা লমবীসি কিঃ মিঃ ৮৫১ লাপই। ঐ কন্যাকুমারী য়েৌনা চংনবগী থোৌরাংনে।

চেশক লৌকমদগী খোকলকলগা বাস পারকিংদা লাকলে। ঙাইহাক ঙাইরগা বাসদা তোংখৎলে। ঐনা তোংলিবসি **'Route No. 333'** দা চেনবা বাসনি। মহারানী কোলেজ, ইনদিয়ান একস্‌প্রেস্‌, মহাৎমা গানধী রোদ, এয়ার ফোরস হোসপিতেল লানখোকলে। **Hindustan Aeronautics Limited (H.A.L.)** ফাওবা লাকলে, পুং ১১ মিনিং ৩০ তারে। হোসতেলদা চংলগা উপু মচা অমদা ফুরিৎ-খোংগাও, শাবোন-নচিংবা মচাক থরা হাপচিনন্নে।

নুংথিলগী চাক-ঈশিং চাখোকলে। পোৎথাহনা লৈরিঙৈদা ঙাইহাক তুমখোকলুরে। হৌগৎলকপদা পুং মঙা তারমলে। ইরু-মাইথজরগা চৎননবা থৌবাং তৌবা হৌই। ঙনলপ, চাক চাখোকলে। নুমিৎ তারবম্ মমৱদি মমত্রি, পুং তরেৎ-মথায় মুক তারকপদা ঐহাক খোং শানদোকলে উপু মচাসি পায়রগা **Hindustan Aeronautics Limited Road** দা লাকলে। বাস নমবর '৩৩৩' দা তোংখৎলে। রেল স্তেসন ফাওবা লাক-পদা পুং নিপাল মিনিং তরামঙা তারে। নোংমু থিংলি-থিলি চুই। পরপ-পরপ চংলগা য়েংববু প্লেৎকোম্‌-দা ত্রেন থামলদুনা

লৈবা উই। মমিং মলায়ালমনা ই, ইংলিশনা 'কোচিন, কোচিন' —'২৬ আইলেন একস্‌প্রেস্‌' ই, ।

ট্রেনদা চংলগা কমলে, ঐগা থংননা কমমিন্নগদবা মীসু লাকলে। নিপা অসি কেরালাগী কোংতয়ামদা চংকদবনি। মরোল-ইরোল সুপক্তিন-তিন্নদবা মীশকনি। 'ইশারা' য়াওনা রা ঙাংনবা তাবে। গারী থাগদবা পুংকম য়োরে। গারদনা পি-পি লাউবি খোংলকই। পুং মাপল মিনিং কুন তারে। মীয়াম থুং হায়র-হায়রক্লনা স্তেসনদা লৈহৌবা উই। মীংয়েংদগী মখোয় তামহোরে। ট্রেন চেনথংলে।

ট্রেনসিদা মীতৈ মচা পেসেনজর ইতোমতা ওইরমগদবা মানলি। আইলেন একস্‌প্রেস-সিদা মীতৈ অতৈসু তোংবা ওইরমলবদি কয়াদা নুঙাইগদবা! ট্রেন চংপা মতমদা ঐহাককীদি থুং হাইবিনবা মী লৈতে। লমলকতা লৈবদগী ঐহাক তসেংনা 'ইতোমতা' হায়বদু ওইরবরা ?

ট্রেন-না বাংগলোর তাউন মক্সুংদা চেনলি। থাউমৈ অঙানবা পয়েং-পরেং থানবা উই। থাউমৈ অঙানবসি ইলোই-লোইশিনদে। মতম ঙাইহাক লৈরবা মতুং বাংগলোর কেনতোনমেন-দা থুংই। মিনিং মঙামুক ট্রেন থামই। নৌনা কারকপা মী খরাসি কেরালাদা চংকদবা মানলি, মশকসি মলায়ালি মানলি। ট্রেন থারে। ন্‌ম্মিদাং পুং তরা-মখায়মুক তারে, ঐহাক পোৎথানবগী থৌরাংলে।

ঐহাকনা মিংকপ থোকপদা অয়ুককী পুং তরুক হারনদে। গারীদগী মপালদা য়েংথোকই। 'কোইমবাতোর' স্তেসন ইবগ থেংপা উই। ত্রেন-না বাংগলোরদগী কিঃ মিঃ ৪১৫ লাকলে। অহিং চুপপা চেনলমবা মওংনি। স্তেসন মযাম লানথোকলমলে। ধরমাপুরী সেলাম, ইরোদ স্তেসনশিং লানথোকলগা লাকলে। লনদমসিগী য়ুমশিং থালিনা কুপই। আসামগী মওংদা কোনা অমমুং চু পামবী হোৌবা উই। অবাপপদা য়েংবস্থ চীংথোলগুমনস্থ তৌই। কোইমবাতোবদগী ত্রেন থারে।

পালঘাং জংসনদা গাৰী থানই। তামিলনাডু থাদোকতুনা কেরালাদা চংলে। ওলাভাকোং জংসনদা গাৰী থানই। ঐহাকনা গাকদা বুক স্তোলদগী "Mirror" মেগাজিন অমা লৈবগা পাবা হৌই। মেগাজিন অসিদা নেপোলিওন-না জোসেফিনদা ইবা চেপাউগী রাফম য়াওই। লানজিং-পুরেল নেপোলিওনগী থম্মোয়দস্থ নুংশিবা রাখল লৈখি। আবতিকলসিদা নেপোলিওনগী কেবেকতবস্থ কুপনা নৈনহনা মোৎ পীবি।

গারী থাবগা খরাদমক চৎলি, লোবুক উবা ফংই। ফো মুনবস্থ য়াওরে। নৌনা লোফম থোইবস্থ য়াওই। থবক কনবা মতম মানলি। লো উরিবসি লোফম মচা মচানি। কেয়াব, বিঘা নৎতরগা শঙম্ খরাগী লোবুকনি। পুং নিপাল নিনিং নিফু মঙা তারে, ওৎতাপালাম জংসনদা থুংই।

গারীনা খা-নোংচুপ পাংনা চেনলিনসি কেরালাগী লরাইলোমদা কুমথবা মানলি। কেবালাগী লরায় লমদম ফজনা উবা ফংলে।

কেবালাদা থুনলক নুপীগী ফিজেংতি লুংগি মানলি। অঙৌবা মচুগী ফিনি। মশাদা তপ-নপনা ফুরিং লিংনি। ফি ইনশিনহুনা মশাবু কুপতে, মকোকস্তু থুমদে। মকোক থুমদবদগী মতৌনি য়েংবদা খরা নুঙাইফাংতে। মফম-মফম অমস্তুং মী-মীগী ফিজেং হায়রহুনি—খুগংগী গুজরাতি নুপীনা লিংপা ফুরিংপু নিংশিংলকই, মওংতু 'ঝমকি থিনবা ফুরিং' মানলি। ফুরিং লিংপা নুপী অতুগী খা মপাদা মিংশেল তোপই। নংগলদি ইহাং-হাংনা থমই। থবাক কুপপা ফি অতুবু তাদনবা থৌবিনা ফাজিনলি। মলায়ালি নুপীনা মশাদা ফি অনতা ইনদে, খাসি নুপীনা ফি য়ামনা ইনশিনবদগী মশা মশক উদে, গুজরাতি নুপীনা খা মপাদা মিংশেল তোপই, মারাথি নুপীনদি নামৈ য়েপই, পানজাবী নুপীনা খোংগ্রাও শেংলি, মীতৈ নুপীনা থবাকতা খাওনলি, 'শম শাই ককই'। ফুরুপ-ফুরুপকী চংনবী ময়াম হায়রা তাই। তোঙানবা ময়ামনা পুনলগা ওইবা ফজবা মওংসি ভাবংকী শকতমনি।

লৌবুকতা নুপীশিংনা থবক কন্না শূনরি। চাওখৎপগী চাংসি কেরালানা হেনলি। লৌবুক থুংননবা ইলেকত্রিক ওয়াব (নোংথাংনি) তিই। নোংথাং-পা গল ফংবদগী লৌউ-শিংউবদা খুদোংচাবা ওইরি। কেবালাদি নিংথম-থা অমস্তুং ওলাংথা খাইদবগুমই।

কেৰালাদা নিংথম থা লৈতে।

পুং মাপল মিনিং নিফু তারে। ত্রিচুরদা থুংই। মফমসি য়ামনা লৈহাও চেনবা লম মানলি। কিহোম মরাং কায়না য়োনলি, কিহোন অমগী মমল হংবৰু 'লুপা অঙুন' হায়রকই। কাসাবগী ফুলেৰতোলদা কিহোম'মগী মমল পৈসা কুনমঙাতা পী। কেরালাদা য়ুবী য়ামনা তোঙই। 'লুপা অমগী য়ুবী মরি' হায়বকই। মমল ওঙমনবদগী ঐহাকনা য়ুবী লৈবা কিবে, য়ুবী লৈদরে।

কেরালাদি লাইবিক য়ামনা হৈবা স্কেংনি। ইনদিয়াদা খরাই-দগী য়ামনা য়োনবা পাউ-চেসি মলায়ালম লোলনি। 'মালায়ালা মনোরমা' হায়বসি ইনদিয়াগী **largest selling Newspaper** নি। কেরালাদি লৱায-খুংগংদসু পাউচে মরাং কায়না পাবা ফংই। করমবা মতমদা মীওইলোলগী অচৌবা পাউচে ফংগদবা? মীতৈনা লানায ১৮ পানবা পাউচে ফোংবা ঙমগবা?

ত্রিচুরদগী জাপানি অমা চংলগা ফমই। য়ারী অসুম শারে, জাপানিসিনা হায়,—

"ঐখোয়গী জাপানদদি থুংনা লো লিংনদে। লো-শূবসু এরো-প্লেনকা য়াওই। মেসিন্না ফো খাউই, মী থজিকতনা লো উই।" ঐহাকনা থুনই, "ঐখোয়গীদি মী অরৈবা পুমনমক কুমহুনা লোৱুকতা লো উই, অহুগা মহৈ-মরোইদি থজিকতং পুখংলকই। অসুমনা ঐখোয় 'থবক কন্না শূমনবদগী' পুনসিসু ঙনতানা কেমই।"

অমানা মাঙ্গী দাইবিদা করিগুমবা খরা ইশিনখি। মাগী হারী য়ামনা শান্নানংই, অছুবু জাপানিসি ইংলিশ লোলদা য়া ঙাংঘোকপা ইঙম-ঙমদে। ইংলিসনা ইবা সাইনবোবদ-নচিংবদি খংবা ঙমই।

পুং অরা মিনিৎ ৫০ তারে, আলয়ায়ে লানথোকলে।

পুং তরামাথোই মিনিৎ ২১ তারে। এরনাকুলম জংশনদা থুংই। মিনিৎ তরামুক থামলগা রেন থারে। ট্রেন থাকপা কোচিনগী জাহাজ শাকম 'কোচিন শিপযাবদ' উবা ফংই। ঈশিং-লানগী (নেভী) গী ট্রেনিং সেনতর উবা ফংই। সিভিল এয়ার-পোর্ট-সু উবা ফংই। মফমসি 'মত্তানত্তা মত্তোল' মানশি, মী ইচিক-চিকশিনলকলে। এরনাকুলম অমসুং কোচিন হায়বসি ইনক-নকনৈ। ঐহাক কোচিন (হারবার তারমিনাস) রেল স্টেসনদা থুংলে। কোচিন হায়বসি রেল স্টেসন মত্তোলনি।

পোৎ খবাসি বেলয়েগী 'পোৎ থমফমদা' পুরে। য় সদ অমা শাবগা পীরকই, পোৎ থমজিনলে। বেলয়েগী হোটেলদা চাই, মলায়ালিগী চাক চাগদৌরিবনি। 'পাৎসনম্-তা'—চাক পীয়ু। লাদা চাক হাপলরে, দাল অমসুং সমবার হাপ-কল্লে। চৌথোংসু হাপলকল্লে, ঐহাক 'পাৎসনম' চাবা ঙ্গোরে। চপ চানা চাবা য়াই। ঈশিং ওকনদরে, 'বেরলাম-তা' ঈশিং পিয়ু হায়নবে। চাকলুপ অসিগী মমল লুপা'ম-মথায়তংনি। লুপা ১-৫০ তং পীরগা 'চাকলুপ

অমা ফংবা" হায়বা তাই। চাক অসি লা-দতবু চাবা তাই। মীতৈগী উৎসবতা 'নিবাম্রিস' চাবগা মওং অমতানি। চাক চাবনা মতুং ঐহাক সমুদ্র মযাদা জাহাজ লৈবা চংলি।

ইমফালদগী কোচিন ফাওবসিদা করিস্থু থেন্নবা উদে। অহেনবা হাযববু জাহাজ লৈবা অসিনি। ঐঙোনদা 'য়ুম কদাইদা ওইববনো' হাযত্নুনা হংলকই। ঐনা 'ঐগী য়ুম থাংজম-দনি, থাংজম মচানি, ইবোলনা মীতৈলোলনি, থাংলৈদগী কেবালা যেংনিংত্নুনা লাকপনি' খুমই। ঐনাবুদি হাযফম থোকপত্নু হায়, অত্নুমওইনমক মলায়ালিসিনা ইথং-খংবিদে। মীতৈ, থাংজম, থাংলৈ হায়বা ময়ামসি খংহন্নবা হোংনবদা অরানা ওইবে। ঐহাক মলায়া-লিসিদা 'চহি-তবেং খুনতাকপগী রাবী লিবা তাবে। খৃঃ ১৮১৯ দা আরানা মনিপুর লৌশিনখিবগী রাবী লিথবে। মীতৈ ময়াম আসাম, ত্রিপুরা, বাংলাদেশ, বাবমাদা লানগাইত্নুনা চেনখি হায়বসি খংহনলে। ঐসি মত্নুগী লানগাইদা য়াওবকথিবা অহনলোন-শিংগা চাবোন-শুরোন অমনি হাযত্নুনা খংহনলে।

ঐ Auto অমদা তোংখৎলে, তাউনদা কোয়বা চংলি। সমুদ্রগী মরিলনা চাউ-চাউনা হনজিনলকপা উবা ফংই। পাং মানবগুম 'সমুদ্র' মচা-মচা ময়াম লৈ। 'সমুদ্র মচা' ময়ামসি লানথোকননবা থোং লৈ। থোংগী মমিং 'ভেনত্নুকথি' অমসুং 'পালুকথি' কৌই। সমুদ্র মপালগী লমবী অমদা ঐহাকনা

লেপলগা য়েংই । কঙ্-ঙকতা উবা ফংই । সমুদ্রদগী ফারকপা ঙাস্ যোনলমই । ঙাগী মগুংদি প্‌নসিদা মশক উখিদ্রি । মচু ঙাংই, শংই, মবাংই—মশক খংবা ঙমদে ।

কোচিন রেল স্তেসনসি শিলচর রেল স্তেসনমুক চাউই । শিলচর রেল স্তেসনদগীদি য়ামনা লু-ননবা হেনলি । স্তেসন অসি অসি 'মতোলনি' হায়বা য়াই । থেন্নবদি শিলচরদা ঙাবি মনমন্‌না চংবা ঙমদে । মনম্‌স্থু মালেম ফাওবা বোমবেগী 'সিগ্রি' দগী হেনলি । শিলচর রেল স্তেসনগী ঈশিং তোতিদা ফি শুফম ওইনা শিজিন্নৈ । কোচিন রেল স্তেসনদা ফি শুবগা লৈব উদে । কোইয়েং-য়েংবদু সমুদ্রগী ঈশিং উবা ফংই, মতৌসি ঈচাও থোক-পগুম রা-রা মখোল তায়, নোংজ্ মতমদা থাংজমগী পাংকোই-বু মাননি ।

এরনাকুলমদগী 'ভিনাব একসপ্রেস' তোংলগা ত্রিভানদ্রমদা চংকদবনি । কোচিনদগী আইলেন্ একস্প্রেস তোংলগা চৎপদি মতম নংনদবে । ঐহাকনা বাস (কাংগুল) দা তোংখৎলে । পৈসা নিফু পীবগা এরনাকুলম ফাওবা লাকলে । চাক চাথোকলগা ৩৭৫-কাবা ভিনার একস্প্রেসতা তোংখৎলে, পুং মরিমুক তাবে ।

লমবী মশাংদা য়ুবী অমস্তুং কোরা পামবী য়ামনা হৌবা উই । লমদমসি 'য়ুবী অমস্তুং কোরাগী উমং' মাননি ।

লমদমসি অতোং-অকুং য়ামনা লৈ। কাখৎ-কুমথা ভৌবদগী খোংগাবী তোংলগা চৎপদা খুদোং চাফাংতনা উই। বাস তোং-লিবসি চীংলকতা চৎপগুমই, লৈতেম মান্নবা হায়ববু চীংথোল অনিগী ময়কতা লৈবা লৌবুক মচা-মচা অসিতনি। কাসাবদা কফী পামবী, দারজিলিংদা চা পামবী, মিজোরামদা মোরোক পামবী, শিলোংদনা উচান পামবী—অদুগা কেরালাদনা য়ুবী পামবী মশক উবগী মওংসি অমহানি। হায়রিবশিংসি লমদমগা পক-নবা পামবীশিংনি।

খুল্লক চাওখৎপগী চাদি কেবালানা য়ামনা হেনলি। য়ুম-শিংসি চেককী য়ুমনি, সুম্ভ তৈ। দালান মচা-মচানি। লমদম অসিদা লৈবা মীনা শেল পায়বা হেনলি। যেংলু-য়েংলুবা মফমদা ঙশিং য়ামনা মবাং কায়না ফংবা মানলি।

মুংথিলগী পুং ৪ মিনিং ৫৫ তাবে, কোংতায়ামদা থুংই, ঐগা থংননা ফমলমবা নিপাসি কুমথখরে, কুচুদি মুবা মবেপনা চুমবা নিপাতুনা ফমসনবা ফমফমসি হাংলে। মথং চেংগনোব স্তেসনসু লানথোকানে।

মুনিদাংরাইরম হায়বচুনি। পুং ৬ কা মিনিং ৪৫ তাবে। ঐহাক কুইলোন জংসনদা থুংই। মমিং ইতা-তাদবা তাউননি, অতুমওইনমক ইমফালদগী হেন্না চাউবা তাউননি। পুং তরেৎ মিনিং নিফু তাবে, ভাবকালা-দা থু ই, পুং ৮ গা মিনিং কুন তারে,

ত্রিভানদ্রম সেনত্রেলদা থুংই। লমবী লমশাংসি লাকপদা ঐহাক ৱাবনা পোপ তুরে, রেলৱেগী অৱা-পোথাফমদা চংলে। অৱা-পোথাফমদা অহাংবা কা লৈবমদে। ঐহাকনা 'খববাং কাংথোল' (দোরমিতরি) দা মতম লেনলি। পাং-শানবা খরবাং কাংথোলসি 'সনাগী কাংথোলনি' খনলগা তুমলে।

মথংগী নুমিং (২৭-৫-১৯৭৭) ইবাই নুমিংনি। ঐহাক অয়ুক পুং তরুক তাবদা য়াহৌই। ৩৭৪-কুমবা ভিনাব একস্প্রেসনা স্তেসনদা খোংলকই। ইক-মায়থজবগা কন্যাকুমারী চংননবা বাসগী ঈ-পাউ লৌই। মীওই অমনা তাকপিরকই—'কন্যাকুমারী স ত্রিভানদ্রমদগী কিঃ মিঃ ৮৭ তং লাপই। বাসনা চংপদা পুং অনিমথায়মুক চংই, অদুগা অচৎমলনা লুপা তরুকতনি, অয়ুক পুং তরেৎতগী নুমিদাংৱাইরম পুং নিপাল ফাওবা তামিলনাড়ুগী বাস'মা—কেরালাগী বাস'মা ওন্ন-ওন্নতুনা চেনলি, পুং খুদিংগীস্ন গারী লৈ' হায়বা পাউতাক ফংলে। পাউতাক অসিগী মতুং ইন্না ঐহাক তামিলনাড়ুগী বাস তোংলগা চংননবা থৌবাং তৌবে।

মতম পংথেং-থেংদ্রি। ঐহাক রেলৱে রিফ্রেস্মেন রুমদা অয়ুককী চরা চায়। উপমা, বোরা, দোসা, পুরিনচিংবা অচা-অথকনি। পোৎ য়ামনা শিংমনবদগী অচা-অথকসি 'মুন্নদরবদি ফংদরে' হায়বস্নু য়ারে। কাসারগী বদপুবদা রেলৱে কেতরিংনা পীবা চাকতু 'মীনা চাবা ঙমনদে'। ঈশিং অশাবদা লুপশিনলগা

পীবা অচা-অথকগুমই। ভারংকী অরাং-নোংপোকতা য়োনবা চিনজাকতি 'চানিংলগা চাজনি' হায়না খনবা মানলি। চাক-এনশাং হাউগনদে। চাক-এনশাং থোংবা হৈতে। Profession দা expert ওইদে।

ঐহাক বাস স্তেন-দা লাকলে। বাস স্তেনসি বেল স্তেসনগী মনাকতা ওই। তামিলনাডু স্তেং বাসগী চেশক অমা লৌরে। চেশকসি মওংদা পৈসা মানলি। লুপা ৫, ১০ ইবা চেশক পীথোকপদগী থবক য়ামনা শনই। তিকেং মখল অমাতং শেম-লগা Route মযামদা শিজিন্নবা মানলি। মনিপুরদস্তু তিকেং মওংসি শিজিন্নববদি থুদোং চাবা ওইগনি।

ঐখোয় অরাং-নোংপোক লমগী মীসি লম ইচৎ-চংকনদে। চৎলবস্তু ইথৌ অমামম্ পুরগা চংনবগুমই। হৌজিক লম চৎ-কদৌবিবশিংসি বাংগালি, হারিযানি, গুজরাতি অমস্তুং মবরাবী ফুরুপশিংনি। কাংবু মযাম অসিদা ঐহাক মীতৈ মচা ইতোমতনি। রাফম অমতংসু হাযজনিংই, মতুদি—মীতৈ মচানা লম কোয়থোক-লবদি ফুরুপতা লৌশিং হাপচিনবা হায়বতু ওইগনি, অসুমনা লৌশিং ফংবদগী ফুরুপসি খংচোং-চোংখৎপমখৈগী চাওখৎকদবা মানলি। লম কোয়থোকলবদি ফজবা ইনাৎ খবা মীযামদা উং-থোকপা ঙমগদবসু মানলি। অস্তুনা রাথল-পুকথল Exchange

তৌনতুনা অফবা কয়া লৌশিনবা ঙমগদবা মানলি। মীতৈনা লম-কোযথোকপগী হৈনবী লৌশিনকম থোকই।

তোংগদৌবিবা গাবীসি মশক য়ামনা ফজে। ফমফমসি মমল অতাংবা ববাবগী মোমপাকনি। মনিপুর স্তেৎ রোদ ত্রানস্পোৎ-কী বাসতি অপায়বা মদা পায়হুনা ফমদরবদি ওনথগদগী তৌই। মন্নুংদা পোৎ পৈশিনবদগী গুদামগা মওং চপ মান্নে। এমঃ এসঃ আরঃ তিঃ সিঃ তোংলগা ঐহাক 'মীতৈ মচানি' হায়তুনা শক খঙনিংদে। অস্সুম তাবা ফংববু 'মনিপুব সরকাবনা তোলব মতম চানা পীবিদে, ইস্তাব-দা ইউনিফোম সুপপি-পীদে' হায।

প্ুং মাপল তারে। তামিলনাডু স্তেৎ বাস তোংলগা খোংশানলে। গাবীসি যুবীগী উমং মবকতা চৎপা মানলি। যুবী য়ামনা হৌই। ত্রিভানদ্রমদগী কিঃ ৫০ মুক লাকলে, পুং মাপল মিনিং ৫৫ তারে, খোইহি-শুংফম 'কুরিথুরাই'দা থুংই। লমদমসিগী যুমশিংদি থালি (চফু) না কুপই, যুবী পানবীদি মিৎ পেনবমথৈগী য়েংবা হায়বতুনি। পুং তরা মিনিং ৪৫ তারে, নাগরকোইলদা থুংই। মওং-মতৌসি ইমফালদগী হেন্না চাউবা তাউন মানজি। 'ইমফাল' হেক হায়বদা ঈশিং ৱাবগী মওং মিংতা শং-শং উবা ফংই। 'কংলা পাং-তগী শোকলগা পীথকপা' ঈশিংডু হেকতা নিংশিংলকই।

কুমদগা য়েংববু য়ামনা ফজবা লফোই জাৎ অমা উবা ফংই।

ভাংশং-ভাংবা লফোইসি অমাগী মমল পৈশা ৭৫ হায়রকই। ভারৎগী অরাং-নোপোকতা লফাং'নগী মমল পৈশা ২৫তা পীবা মতমনি। জিরিবাম নংতরগা ফুলেরতোলদা ওইরবদি অমুককা হেন্না হোংই। অহুগা লমদম্ অসিদদি লফোই অমদা পৈশা ৭৫ হাযবি। ঐহাকনা লফোইসি লৈরগা চাদরে।

গাবীসি জ্-জ্ চেনলি। কিঃ মিঃ ৬—৭ শাংবা, অহুগা কিঃ মিঃ ১—৬ পাকপা লৌবুক'মা উবা ফংই। লৌবুক অসিদা থৌবান থাগুম থবক কন্না শুনবি। পুং তবামাথোই মিনিং কুনমঙা তারে। শংবাম্নবা সমুদ্রবু উবা ফংলে ... । গাবীসি ঈশিং ঈয়া তমনা কন্না চেনশিনলি। পুং তরামাথোই মিনিং কুনতবেং তারে, সমুদ্রগী ময়া য়োরে, ঈপাকতা মায়ওন-শিনলগা গারী থাদই, পুং তবামাথোই মিনিং কুননিপাল চংলে, ঐহাক কন্যাকুমাবী য়োরে, হরাওবনা থাদা খুং লামবগুমই। জুলাই তাং ২০, ১৯৬৯ **Neil Armstrong** না থাদা খোংদা-খিবত্থু নিংশিংলকই।

উপ্ মচা অসি পায়রগা মথাদা কুমলে। ইংশোক ১৯৭৭ মে-গী নোংজা ২৭, ইরাই মুমিংকী পুং তরামথোই মখায় তারে। ইমফালদগী শুপনা কিঃ মিঃ ৪৭১৮ লাকলে। ইমফাল—শিল-চরগী অরাপপবু ২০ লক তিংথোকলগা ওইগদবা লমশাংনি।

কুমজগা মকমসি কোইলৈ-লৈত্তুনা যেংই। মায়কৈ অহুম ঈশিং উবা ফংই। আবব ঈপাকচাও, বংগডমথং ঈপাকচাও, ভারৎ ঈপাকল্লেনগী ঈশিংনি। ঈশিংনা ঈপোম কাবগা জন্নায় তারি, ঈথক অঙোবা হৌরি। অা ঈয়ায় রোমদা য়েংলগা 'নূংকোল'বু উবা ফংই। নূংকোল অসিদা বিবেকানন্দগী মতিক-ময়ায়না ঙানথোইবিবা মানলি। ঐহাক ফজবাসি অম্মুম য়েংত্তুনা লৈনিংলে।

থুংলবা মতুং—

কন্যাকুমারীদা তামিলনাডু সরকারগী হোতেল লৈ। কেরালা সরকারগী হোতেলসু লৈ। ঐ হোতেল 'ত্রাই-সি-লোজ'দা মিং চনলে। ঐনা লৈরিবসি মথোল ৪ শুবগী, রুম নমবর ১৫ নি। হোতেলগী মাংগোলদা ফমলগা ঐহাকনা ঈপাক য়েৌনা য়েংই। কাউ'ঙমদনা ফজবা পোকই। 'বিবেকানন্দ নূংকোল'বু য়েংই। য়েং-য়েংনা স্বামীবু 'স্তুতি' তৌই। ঐহাক ইশা রাঙুত্ত ওইরবগুম থনলি। বিবেকানন্দবু থম্মোয়দা ফংজববগুমই।

ঐগী রাখলদা স্বামী বিবেকানন্দগী 'রাজযোগ' 'কর্ম-জীবন' 'হিনডু ধর্ম' পারি··· । মাগী কোকয়েং য়েংপা শকতমবুসু নিংশিংই। ইং চহি ১৮৯৩ গী রাফমনি। মহাকনা সেপতেমবরগী

তাং ১১ (নিংথৌকাবা নুমিৎ) তা 'Parliament of Religion দা' রা ঙাংখি। ঐহাক ইশামক চিকাগোগী 'পারলিয়ামেন ওফ রিলিজন' মীফম অদুদা য়াওরুবগুমই। মহাক্না হায়খি, 'হিন্দু হায়বসি অচুমবগী মমুং অমাখকতংহন্‌বুনি।' ঐহাক তশেংনা লাইনিং মীফম অদুদা য়াওরুবগুমলে, মাগী Speech অদুমক্না নাকোংদা য়ৈরিবগুমই। 'Brothers and Sisters' হায়দুনা হৌখিবা ইস্পিচ অদুমক ঐগী নাকোংদা তাবিবগুমই।

বিবেকানন্দ নিংশিংকোল—

বিবেকানন্দ নুংকোলদা চংপগী মতমসি—অয়ুক পুং ৬ দগী পুং ১১ ফাওবনি। নুংখিলগীনা পুং ২ দগী ৫ ফাওবনি। 'সমুদ্র' মচা অসি লানথোকপদা মিনিং মঙামুক চ.ই। "ভাগিরথি" কৌবা হিজাওদা তোংলগা লানলি। লুপা অমা পীবা তিকেং লৌরগা তোংই। ঐনা তোংলগা লানথোকপদা নুংথিলগী পুং ২ মিনিং ৩৩ তারে।

(জাহাজগুমবা) হিজাওসিদগী য়েংবদা ত্রাই-সি-লোজ হোতেল ইনক নকনা উবা ফংই। "সমুদ্র" লানথোকলগা খোংউপ থমলে। য়েংথোকপদা কন্যাকুমারী লাইশং উবা ফংই। লাইশংদা মিংশেল চনলগা পৈসা কংফম লৈ। পৈসা কৎপা খুদিংমক

মিংশেলদা তারগা লৈ। মিংশেলসি চিথেক নিপাননি—পাক-চাওবদি ফুং মরি-মথায়—মরি-মথায়মুক ওইগদবা মাননি।

ঐ মিংশেলগী মথকতা পৈসা মঙা চংপি'মা কংলি। য়েং-বদা য়ামনা ফজে। ঙসি মুংখিলগী পুং অনি মিনিৎ ৫৫ (1455 hrs) তারে, নোংজা ২৭-৫-১৯৭৭ নি। লাইশং অসিমককী থোংজিনদা ইরগা লৈ, "(পুরানদা ইবা মতুং ইন্না) 'পাববতি'গী (লৈশাবী) শাইওন্না নুং অসিদা ফমলগা মহাদেববু ফংজনবগীদমক লাই নিংখি, লাইনিংপৈরে অসিদগী খংনরকতুনা লাইফম অসিবু 'সিরিপদমান-দোপম' থোনখি।"

বিবেকানন্দ মানদোপতা ইরগা লৈ, মতুদি—"নিংশিংখুদমসি চিকাগোদা ফমখিবা পাবলিয়ামেন ওফ রিলিজনগী ৭৭ শুবা কুমওন পাংথোকপা ওইনা রামকৃসনো মোথ অমসুং মিশন, বেলুর (নোংচুপ বাংলা) গী থৌবুহল য়াইফ স্বামী বিরেশরানন্দনা সেপতেমবর তাং ২, ১৯৭০ দা শাবনি।"

ইংরাজীনা ই—

"This memorial was constructed by Srimat Swami Vireshwarananda – The President of Ramkrishna Math & Mission, Belur – West Bengal, on 2nd September, 1970—the 77 th Anniversary, Parliament of Religion, Chicago."

য়েৎলোম থংবা নাকলদা ই—"মানদোপসি ভারৎকী লৈভাক পুরেমবা (বাসত্রপতি য়াইফ) ভিঃ ভিঃ গিরি-না সেপতেমবর তাং ২, ১৯৭০ দা হাংবনি।"

বিবেকানন্দ মানদোপতা 'স্বামীগী' অরেপপা শকশেম'মা লৈ। শকশেমসি য়ামনা ফজৈ। মুরতিসি থোংবানদগী মিতাব তরা-নিথোই (হায়বদি খুহপ ২৫ মুক) লাপকদবা মানলি। ওয়রোম থংবা মায়কৈদা (ইমা) শারদা দেবীগী অয়েকপা মুরতি'মা লৈ। স্বামী বিবেকানন্দগী মুবতি সি মায়কৈ মরিমক ফজনা লৈতেংই, মুরতিগী ক্রমবালদা ইবগা লৈ —

"স্বামী বিবেকানন্দনা লাইনিং পরৈগীদমক ইংকুমজা ১৮৯২ গী লোয়রমদাই নুংকোল অসিদা খোংদারমই। মহাক নুংকোল অসিদা দিসেমবরগী নোংজা ২৫, ২৬ অমসুং ২৭ দা লাকখিবনি হায়রুনা থাজনৈ।"

ইংরাজিনা ই —

"Swami Vivekananda sojourned on this Rock for meditation towards the end of 1892. He was on this Rock, presumably, on 25th, 26th and 27 of December"

বিবেকানন্দ মানদোপকী মর্ক্ষুংদা 'ধ্যান মানদোপ' কৌবা মফম অমা লৈ। মফমসি লাইনিংফম মানতামানলি। এহাকনা

ধান মানদোপতা চংলগা মিনিৎ মঙা 'লাইনিংথুনা' লৈ। মফম-সিদা চ'বু-চ'লবদি অসুম্মক 'লাই নিংহনলি' হায়বথুনি। মাংদা "ঙং" হায়বা রাইহেসি চাউনা ইবগা লৈ।

কা অসিদগী থোবকলে। তুকান অহুনথক লৈ। হিন্দি, ইংলিশ, বাংলা অমসুং মাবাথি লোন্সনা ইবা লাইবিক মযাম যোনলি। বিবেকানন্দ অমসুং হিন্দু ধর্মগী মরমদা ইবা লাই-বিকশিংনি। পুং ৩ মিনিং ৫৩ তারে, গ্রৈতাক হন্না চংপগা মাযকৈ পাংলে। ফতোদি নমল্লকতে, ফতো নমহনদে।

"কন্যাকুমারী"--

'কন্যাকুমারী' কৌবা কৈথেল নংতবগা ভাউনংমা লৈতে। অসুম পোৎযোনফম থবা লৈবগী মণ্ডংনি। 'বিবেকানন্দ রোক মেমোরিয়েল' লৈবদগী মমিং চংখিবনি। লম-মতোন ওইবদগী মীযামনা খ'বিবনি। মওং অমদা হায়বগা নকমসি 'ঙা ফাবগা লৈকায' হায়বব্রু যাই। রেল স্টেসনসু লৈতে, বেল স্টেসন শাবগী থোৱাংদি লৈ।

নিংশিংযুম অমা লৈ। 'গানধী মেমোরিয়েল হোল' কৌই। ফেব্রুৱারী তাং ১২, ১৯৪৮ গী রাফমনি, গানধীজীগী অশিনা হকচাং মৈ রাইববা মতুং 'উং অতু' থমখি হায়বসি ইবগা লৈ।

হোলগী মথকতা কাবগা য়েংই, অবা-ন্নোংপোক থংবা মায়কৈসি

থামনা ফাউড। বগাওয়াশ-ঈপাকচাদ্দি। মতম অদুগী [illegible] [illegible]
ফাদবশিগী খুদং [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
ভূমিস লোন্তম্ব উবা ফই। লাইনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] -
দমক। লাইং হাউস উবা ফই। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
বিবেকানন্দ পথর [illegible] থমনা [illegible] ফই।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। লাইশাং
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
Kimono * [illegible] Skirt [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] ** [illegible] [illegible] ফই। [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]-
[illegible] চাব [illegible] [illegible] [illegible] ফই। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] থাক্ত। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

'Tri-Sea-Lodge' [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible]। [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] -
[illegible] [illegible]।

* জাপানগী [illegible], ** মলায়ালীগী [illegible]।

মথৎগী কুম্নিংনি। শ্রী বিবেকানন্দ পুরম্দা চৎনবগীদমক থোরাই। মরোক লেনোবিয়েলগী গারীদা চৎথংলি। পাংলাপ-লাপপা মফম নংঙু, মিনিং মচুলং চই। মফম অমিগী মা অচৌবা অমদা [illegible] মযাম শংলগা থমই। [illegible] লোয়ননা খাগং-রাষ্ট্রস্ত মযাম শংলি। খাগং-রাষ্ট্র পুম্নমকস্ত চিকাংগোদা [illegible] মদগী [illegible]। **New York Herald, Wisconsin State Journal, Mineapolis Star, Boston Herald, Boston Evening Transcript** নচিংবদগী লৌশংলকপনি। চহি চামমকবী মমাং দা পানখিবা খাগং-রাষ্ট্রশিংনি

বিবেকানন্দনা মরি তৈননবা শকনি [illegible] মযামস্ত [illegible] অদিবা [illegible] হৌবজনা [illegible] মকুহি [illegible] ফজনা উৎলি। [illegible], বুদ্ধ, তুলসিদাস, [illegible], [illegible], বিদ্যাসাগর, রাজা রামমোহন রায়-মাচ [illegible] [illegible] [illegible]।

Exhibition [illegible]। বিবেকানন্দনা [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]। বিবেকানন্দ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

[illegible] 'বিবেকানন্দ লাইব্রেরী'দা চই। 'The Hindu'. [illegible] [illegible], [illegible] ১৮-৫-১৯৭৭ [illegible] মাদ্রাজ edition দ

পাই। মথ দা পানখিই চেক্ষা অমস্তু Publicity Deptt-না থোকনা Calendar থুংশিনজনবনি।

অসুম্ভাবগী লৈবাক মাইকৈদগী চৎলি [illegible] লোম্না মাচু মাল চাংশিলগা উই। মপুংখেল ফজনা উই, থমক নম্না শং-নোংশ উই। চাৎখায়, চা দমননবদি মাংঙ লৈবাকদি মকসি-খাসি মাংলগা খুদম উইদ্রি। পুংখেল মাবা নংদবা, ঙম্ন নিংথো-বাবা [illegible] উবা যাই। মশাংগি মরম Spiritually sick অমসুং [illegible] অশান-খুনশন লৈবা কন্যাকুমারীদা মীয়ামশিংদুদা [illegible] থংই

'স্বামী বিবেকানন্দ'

বিবেকানন্দ-[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নরেন্দ্র নাথ দত্ত। [illegible] [illegible] জানুৱারী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমসুং [illegible] [illegible] [illegible]।

[illegible] [illegible]। [illegible]। [illegible] [illegible]-[illegible] [illegible] [illegible] মহাক 'leader' ওইনবী [illegible] [illegible]।

General Assembly Institution ([illegible] [illegible]-[illegible] Scottish Church College) [illegible] Philosophy [illegible] B. A. [illegible] [illegible]। Philosophy [illegible] [illegible] মহাকনা [illegible] [illegible]-[illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] '[illegible] [illegible] [illegible]?' 'God [illegible]' [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] অমসুং

'God' হৌরবদি, নরেন (মশাগী) কদি মদি থাকই না হায়বদি মালা খাঙনিংদ্রবা নত্তে অবানি। নরেননা Knowledge (লৌশিং) ন যামনা নংশিজবনি।

"God" হায়বা অসি পাক্কা পোকপদগী নরেন-না হায়রি হৌরকই কাইচং-চংলদনা অইনা নীংথানদা হৌরনি অদুগা খুদোংচাইনমক মানা ফংলবা পাউখুম-শিং দা চেনবা খোকখৎলে। মনা মতিক মশা-না দক্ষিণেশ্বরগী, অদুগা রাম কৃষ্ণনা (১৮৩৬-৮৬) গা উনখি। নরেনগী নত্তে হৌশন-শানই, "ঈশ্বরদা উনবা যাগদবা" পাউখুমসু শানই, মনা ফিবাদি হৌজিকনক উনবা যাগনি। নরেননা থাজিক থকচানি, অমসুং রামকৃষ্ণগী 'নশাক থ ননবা' হায়রক-লই। মতম শানা নকাইদবা মতু থাজিদ খোনখৎলে, রামকৃষ্ণনা-গী 'শেবক' হায়রে লৌশিনখি

রামকৃষ্ণনানা মশা চনদবা মতমদা। মতম শিংদা চেনবা হৌরই, Spiritual guidance পীনবা হাইদনা, মতম অমদা রামকৃষ্ণন-না পাউতাক শীন পীরমই। পাউতাকশা অদুগী মতুদা 'চঙনা পুনসি লেননবগী লমদা উৎপিবনদসিম' অমনি। Monastic life দা লেননবগী দমক মখোয়দা 'ফিজম' পীরমই। ফিজম ফাংহৌবশিংনা পুনলগা Monastary দা মতম লেনবা হৌখি। 'বরানগরদা' Monastary শেইখি। ফিজা শিনগা চাখি। ফিজা শিননবগীদমক কোইচং-চংপা তাখি। অমসুং কাইচং-চংপগী

মতুম অসিদা নরেন্দ্র মনিং 'বিবেকানন্দ' লৌশিনখি।

বিবেকানন্দ লোননা চংলি, খুংগংদা চংলি। কোইচং-চং-লগা যেংবদগী থোক্লাক মযাম উবা ফংলে। মতুদি খুংগংগী মীযামসি হেন্না Ignorant ওই, Superstition (লান্না থাজবা) দা শোগংলি। চাবা থকপদা মনিং থুংদে, অমস্তুং 'না উ' 'শে উ' হায়বগী "শালনা" কুপশিনলে। 'অমমবদা' লৈবগা চপ মান্নরে। মসিগীদমক মহাকনা রাখল খনথবনই, অমসুং কোয়চং-চংপসিদা মীযামগা রাবা শান্নবনই। 'থাক রাংনা লৈরে' হায়বা মীগস রাবা শান্নবনই। অতুম ওইননক 'নমিৎ-মনা শিংলে' হায়বিবা মখোয়শিংতু রাখল ইখল-খনথদনবগুম উবা ফংখি। মসিগী মরমদি ভারৎতা সাধু মশিং থীবা চনলবগীশগী লৈল, বিবেকানন্দস অমনি। অতুদি, বিবেকানন্দগী বা নলানা তানিগনি। বিবেকানন্দনা ছান্নিনা বাফমশিং রাংগী-না ওইননা মাংখি, নানা হায়দা বাফম অচমবা রাফমতম্ব ওইনা খনখিবনই।

বিবেকানন্দনা খংবা ফুমলে, মতুদি - Western thoutht তা লাইবিক তনবনিনা মীওতা তমতুমস লৈবা তানিনি। মখোযগী রাখল—পুকনম সি 'মিনাই ওইবা'। রাখলন মিনাই ওইনা থমলি। মিনাই ওইনা থমবা অতুমস 'অচুমবনি' হায়তুনা থাজনবি। মীযামনা পঙ্গলবতু উবগা বিবেকানন্দনা নুঙাইখিদে। কুঙাই-তবসি থাজবা মেলকতবতুনা হায়খি –'Feel proud that you

are Indian even if you are wearing loincloth' । লাইবিক-লাইস্ তমলূবগা মশাগী ওইবা রাখল খনলকপসি বিবে-কানন্দনা পানলমই । লাইবিক-লাইশু তমলূবগা **high moral value and spiritual idealism** বু মিবাইবদি যানিংলমদে । খুংগংদা লাইশুংগী মৈবা ফংদ্রিবা- চাবা-থকপাদা মপুক থনদ্রিবা লাননা থাজবিবা—অংগাংনবন্, মৈহৌংপিবগী অংগাংযবা মযামসি বিবেকানন্দনা যানিংলমদে । মসিদা বিবেকানন্দনা তুংচাইতবা পা পোকতা পেংকখি ।

মহাক মাদ্রাজদা থুংলরে । মাগী রাজা ভাসনা তাননবা মীয়াম পান্থিনিং-থিনলমই । তাবদা যামনা নুংঙাইবা রা হায় । মাগী রাজা মীবু শুমহৎপামগী মতৌ । মতম অসিদা রাখম অমম্ব থোকলে, মতুংদি চিকাগোদা পাংথোককদবা **Parliament of Religion** দা যাওকনবা মীয়ামনা বিবেকানন্দদা হায়জনমই, বিবেকানন্দ রাখল খনলি, মতুংদি—"মা চুপনা হায়জিনবা রাখম খুদি মকতা **India** না 'যাবগা' লে । ইন্দিয়াগী মমল **Western thought** না লেপ্পিদ্রে । ইন্দিয়াগী মমল মা চুপনা হায়বদা ওইহনলি ।" বিবেকানন্দনা চংলগা **India** গী অচুম্বা ফিভমসি মা-চুপতা তাকলবদি 'মমল থংনাউ-নাউখংপা ওইগনি' হায়বসি খংবা ঙমলে । মসিবু খনলতুনা বিবেকানন্দ চিকাগোদা চংনবগী বারেপ লৌখি । মেগী তাং ৩১, ১৮৯৩ চিকাগোগী-দমক খোং শানখি ।

মানা শননমব, অকনা অচুনক থোকলে । স্বামী বিবেকা-নন্দনা অচুনবা রাগমচু শং-শং হায়দোকখি । India গী মনক্তসি খংবাং-বা হনলে । বিবেকানন্দগী রাগা দা মীয়াম পুনশুম-শুম-হৎপা হায়বদু ওইরে । মানা বা চাংনমবা মওম চি-চা লাউনা ফংখি । হা ১১-৯-১৮৯৩ দা 'Sisters and Brothers' হায়না Speech হৌখি । Speech অসিগী মনাদা মীশক শুপথ-থ নবনা বিবেকানন্দনি Speech ফজননবদগী আমেরি-কাদা মমিং পুমশন শনদোকখরে । খবর-চে মযামনা ফজনা থাগৎ-রাক্ক মযাম ইরে । ইংলিশ'লান শংদা মীয়ামনা মাবু "Hero" অমনি হায়দুনা লৌনরে । 'বিবেকানন্দ' না চুপ লোমদগী নুমিং থোকপাগুম মমি চৎপা হৌরে । আমেরিকাগী মীয়ামনা 'বিবেকানন্দ' হায়বা রাক্কেসি চিনবা পুনশুন খনরে

মহাক ইংলেন-দা চৎলে । চহি অহু ১৮৯৬ গী আপ্রিল থাদি ইংলেন-দসু পাউ-চে মযামনা থাগৎ-রাক্ক পীখি । স্বামী বিবে-কানন্দগী মরা-মপাও যামনা শোয়খি । নুমিং অমনিদা বিবেকানন্দনা খরাইদগী মমি চৎপা মী ওইখি । চহি ৩০ দং শুবদা খরাইদগী মমিং চৎপসি বিবেকানন্দ ওইগনি হায়না খল্লে । ইনদিয়াদা শুপথ-খ্রদবা "মী অহুমু" মালেম ফাওব মী ওইরে । নোংচুপলোমদা মাবু লাইপোক ওইনা থাগৎপদ ইনদিয়ানা মতুং ইনবা ঙাখি । বিবেকানন্দনা ভাবৎকী মমলব

ৱাংনা থবনে । অহানবদা মীয়ামনা শন্নবনবা "তেনৱাগী" ৱাখল শেমদোকপা তাখি । নোংচুপকী পনদিংশিং নোনা ভাবংপু খংননবা তমশিনবা তাখি । ইনদিয়া মশানা নশাগী মবমদা তমশিনবা তাখি, 'তেনৱা' ওইবা তোকপা তাখি, ইনদিয়াগী 'নোনা যাকাইবা' হায়বত্ত ওইখি । 'India বু মশক খংনিংলবদি বিবেকানন্দ পাবো' হায়দুনা ৱবিন্দ্রনাথ থাবুৱনা হায়খি । বিবেকানন্দ তশেংবনককী ভাবংপু "চিনকা পুবা" লাংগোকনি ।

মহাকনা হায়খি, ভাবংকী 'পাপ' হায়বসি থুংগংদা লৈবা মীয়ামব, মিৱাইবসিনি, অনিস্সবদা ৱুপীব, মিৱাইবসিনি । অহুমস্সবদা কাংলুপ মশেনদা "মাংই" নংতবগা "শেংই" -- জাং "অচৌবা" নংত্ৰগা "মচা" খায়বসিনি । মহাকনা মীয়ামব, চান্ন-চিন্ননা লৈননবগীদমক হায়জবনই । মাংই নংতবগা শেংই, অমস্থং জাং মচা নংতবগা অচৌবা হায়বসি মহাকনা যানিংলমদে । পোকপাদগী ওইবকপা 'জাং'-পুদি -মী অদুনা চাউবগা অকৰা শনদোকপা তমবাবুনি হায়খি । **Spiritual thought** দা ইনাকখুনবা কাংলুপনা অকৰা যেনথোকপা তমকম থোকই হায়বসি মাগী থাজবনি, মাগী বানীনি । **Spiritual Knowledge** লৈববা কাংলুপনা **material** দস্থু ইনাকখুনবা ক্ষুৰুপ ওইগনি হায়বসি বিবেকানন্দগী খোলাগনি ।

মশাগী চহি ৩৯ দা শুরি, মহাক ১৯০২ দা তাইবংপান থাদোকখি।

স্বামী বিবেকানন্দগী ৱাখল্লোন—

স্বামী বিবেকানন্দনা 'ভারৎ অমিশক' নংত্রবগা 'ভারৎ-শুংজিনলবা' হায়বদা খানবস্থ লৈ। মহাকপু দি 'মালেম অমিশক' হায়ববস্থ যাবা জাংলি। মহাকনা হায়বা বাফমদা য়েংফম স্থপমি-পাখিদে। মহাক অচুম্বদু মশক তাকপা ফল্ চৌথোকপা লাইপাকনি। চহি ৩০ দা শুবা মীওইনা মালেম শিনদম্ খঙ্গী মনিং চংপসি বিবেকানন্দনি। বিবেকানন্দনা 'চিকাগো লাই-নি- মীফমদ,' দা ঙাংখবসি মশাগী চহি ২৮ দা শুখি। মীওইবনা মখল-মখল ... পা থোকই। মসিবু মহাকনা 'লৈতংনি' হায়খি। খোরা শুদ্না অচুম্বগীদমক থাদোকপা যাই। অদুম্ওইনমক অচুম্ববু থাদোকলবদি অতৈদি মমল লেতে হায়খি। 'অচুম্বসিনু' কৰি ওইবনবো যামনা অৱবা হাইংনি। অচুম্বা হায়বসি লেপ্দে, তোপ্দে। মচি লেপদবা লৈ। "অচুম্ব-মকতা" কাইদোংলগা লৈ। অচুম্বনা ময়োননি। পুম্নমক চুম্বসি অমাখক্তনি। 'The Absolute Truth is only one'—মসি মহাককী Philosophy নি।

অচুম ওইনমক ভানফম-চানকনন। ওইবা 'অচুমবা' (Selective truth) দি চাং লেংই, হায়ই। মফম-মতম অচুমদা শোয়ন-শেন্নবা চংলি, 'Relative truth is, different in degrees' অচুমবনা পালেংই খোমই, 'truth alone prevails'. মহাকৗ পাউ-জরন অচুমবদা যুমফম ওই, 'অচুমবনু' খিবদা Relative truth বুঝ করবা নাই। লাইনিংলোনগী মচা ওইবা লাকপনি 'নপু' (অচুমবা) অমাগনা চুব 'শক খংনবা শিবসিনি।' অচুমবা। অমুমবা ওইবা খ লনবা পুমচুম-চুমবা, মহাকনা 'বেদান্ত' হায়না মখোনশি।

পুমচুম-চুমবদা যুমফম ওইবা লাইনিং ময়ামগী ময়ুংতি 'আত্মা লাই ওই', (each soul is potentially divine)। মতুং-মপানিং খুঙুম চিংজ্ঞবা লাই ওইবগী উংকদবা ওই, (to manifest this divinity within, by controling nature, external and internal). থবকনা, উপাসনা নত্তবগা প্রাণিং কাদবা, নত্তবগা যোগ শিন্নবা পানগ অমাবু নত্তবগা থবাবু, নত্তবগা পুমনমক শিংজ্ঞবা নিংতমবা ফংলবা খোকই হায়বসি লাইগী লাকপনি। Do this either by work, or worship, or Psychic control, or philosophy—by one or more, or all these and be free. মসিবু মহাকনা লাইনিংগী 'ময়োলনা' হায়বনি। অহৈ উপাস, রাজ্য, ক্লাইনিক,

লাইশং হায়বসি মথ তাবা রাকফমনি। This is the whole of religion. Doctrine, or dogmas, or rituals, or book or temples, or form are but secondary details. রাকমশিংসি অস্থপকী মতিক চুমই, মতুদি তর্ক তৌফম লৈতনবা মানা শেংদোকই। মতম অদুগী Christianity হবু শোগংলগা লৈবমবা মীয়ামদি কোকথকতা ব্রজনা তাবগুম থোকনে। মীয়ামনা অমুকতা ফাওবা তাখিদ্রিবা রাকম ওইবে, অচুমবা অমাখক দুদা থুংলুনবা পুমচুম-চুমবা বেদান্তগী রাবীবু মহাকনা Parliament of Religion লীকবে। মীয়ামনা অচুকপগা লোমনদুনা পাউজেল অদু তাবে, তক শৌবা চুমদবমখৈগী যানিংলে। আমেরিকা যোক-থোক নোমলে, ডকপস্থ পোকলে, হবা ওবস্থ পোকলে, থাজবস্থ পোকলে। 'বেদান্ত' গী পাউজেলদা মীযামনা শোন অশেংবা তোনবগুম থোকলে। মতম অদুগী 'আনি' তৌনগনবা আমেরিকাদা পুমচুম-চুমবা পাউজেল পীকবে। লাউবা ফবগী রাফমতবু অচুমবা ওইনা খন্নবমবা আমেরিকাবু পুমশুম-শুমহংলুবে। মতম অদুগী American Society অমস্থ বিবেকানন্দগী পাজেল মবমদা অইবা লৈ, মদুদি

'Society in the (United) States is cramped, crude; superstitious and rotter Never was there, perhaps, more hollowness of heart than at

present and here in the United States. No wonder one press correspondent hailed the message of Vedanta as 'broad as the heavens above us, embracing the best in all religions, as the ultimate universal religion · ' As regards Swamiji himseif the correspondent said, 'He is a great favourite at the parliament, from the grandeur of his sentiments and his appearance as well. If he merely crosses the platform he is applauded, and this marked approval of thousands he accepts in a childlike spirit of gratification, without a trace of conceit.'

(The complete works of Swami Vivekananda, Vol. iii p. 472)

'বেদান্ত' **Philosophy** বু মীয়ামনা থাগৎপদা মপাল নাইদবে। মতমদুদা **Christianity** বু শৌগৎলমবা, অমসুং **Free thinker** মীয়ামদি মখোং ককথৎলবা লক্পুগুনশৱে, লেংল-লেংলগা ববোববো তুবে। তৌকন থংদবদগী বিবেকানন্দন্ **open debate** অনাদা **challege** তৌই। মখোয়দি মী ময়ামনি, মমিং ফাগুবনা **Athiest, Materialist, Agnostics, Rationalist** শিংনি

মখোয়না বিবেকানন্দবু লায়না মায়থিবা পীবা শুমংনি খনখি। অদুম ওইনমক debate অদদা চংথখিবা মওংগী মিংনা উবা পাউদমদি--

'I shall never forget that evening when the Swami appeared single-handed to face the forces of materialism, arrayed in the heaviest armour of law, and reason, and logic, and common sense, of matter, and force, and heredity, and all the stock phrases calculated to awe and terrify the ignorant. Imagine their surprise when they found that, far from being intimidated by these big words, he proved himself a master in wielding their own weapons, and as familiar with the arguments of materialism as with those of Advaita Philosophy ··· With an irresistible logic he demonstrated that their knowledge proved itself incorrect, not by comparision with that which was true, but by the very laws upon which it depended for its basis ·· ·'

অচুমবদি অচুমবনি। বিবেকানন্দ অচুমবগী পূজাবীনি। বিবেকানন্দবু ইরাংপদি অচুমববু ইবাংপনি। মীতৈ এখোয়গীস্থ বিবেকানন্দগুমবা মীথোইগী মথৌ তাই।

APPENDIX---

'বিবেকানন্দ রোক মেমোরিয়েল'—

নুংজাও অনি খিনলগা লৈবগুমবা 'মফমসি' ইপানদগী ফুং ১৩৭০ লাপই। খবা চাউবা মফমগী এবিয়া একর অহুমমুকনি, সমুদ্র ইমাযদগী ফুং ৫৫ রাংবা মফমনি। পুবানগী মহমদা মফমসি 'সিবিপদ পবাই' হায়না খংনবমই। নুজাওগী মাযকৈ'মা মীখোংকম মানলি, মসিবু 'সিবিপদম (লাইবেমবীগী খোংফম) নি খনহুনা ইবাংফমগী রাখল লৌনবকই।

বিবেকানন্দনা হিমালোই মখোং ফাওবা চংলুবগা খাদা 'নুংফম'সি যৌনা লাকখিবমই। বিবেকানন্দনা লাকলমবদগীস্থ মফমসি লৌনা মমিং খংচং-চংলকখি। মীখোন তাদববা মফম অসিদা মহাকনা অচেংপা লাইনিং (ধ্যান) তৌবা হৌখি। থৌজাল ওইনস্থ খম্মোযদা 'মৈবা' ফংবা ঙমখি। মৈবা অতুদি—'নোংচুপ (West) লোমদা চংতুনা ভাবংকী মমল খংহনবা মথৌ তাবে' হায়বসিনি। চহি চাম'মুক মমাংগী রাফমনি। খুঃ ১৮৯২

গী মথং চহি খরাদা বিবেকানন্দনা খুদোল তৌবিবমবশিংদি ইবাংমচাক ওইবি। মিংনা উবা ফংবা 'থৌওংগী' ব্রাংমদা 'ব্রাথলগী ললম্ভ্' হৈ হায়বসি মহাকনা মীয়ামদা খংহনখি;

খৃঃ ১৯৬১ গী ব্রাফমনি। বিবেকানন্দগী চহি চাম' শুবা মপোক কুমওন থোকখি। কুমওন পাংথোকপা মতমদা 'Memorial' অমা খিন্ননবগী ব্রাবেপ তাখি। সিবিএকনাথ রানাদে-না কোমিতি অতুগী অহানবা থৌপূবা ওইখি। 'নিংশিংখুদম' অসিগী শকওং (দিজাইন) সিবি এসঃ কেঃ আচাবিনা তৌখি। মথ দা ইনদিয়া থুংনবা শেলগী খুদোল থোমগৎখি, লুপা লাখ ৮৫ চ না 'Memorial' শাখি।

নুংগী 'নিংশিংখুদম'সি ফুৎ ৮৫ X ৩৮ পাকই. ফুরানা তুমগৎলিবসি ফুৎ ৬০ ব্রাই। লাইশংসি মওংদা (বেলুর-দা হৈবা) 'সিবি রামকৃসনো মনদির' মানলি। অতুগা 'মনদিবদা চংনবা "হোজংদি" অজনতা অমস্তুং ইলোবা কোহা-লাইশং দিজাইননি। মক ওইবা ফুবাগী মস্নুংদা স্বামী বিবেকানন্দগী অবেপপা মবতি' শিনলি। ফুৎ নিপাল পরা (সিঃ মিঃ ২৫৬) ব্রাংবা শেনজেংনা শাবা মূবতিসি ফুৎ মবি-মথায় ব্রাংবা ফমবালদা অবেপপা 'পদযাত্রাগী' মওংনি।

'Memorial' সি তাং ২ সেপতেমবব ১৯৭০ ভ্রাবংকী হৈলপ্রেমবা ম্রাইফ ভিঃ ভিঃ গিবি-না থোং হাংদোকপিবমই।

* * *

বাহৈ-মফম

* * *

অইবা অসি ....

১। **সোনাই, থাংজম লৈকায়দা** পোকই। চহি-তরেৎ খুনতাক-পা (১৮১৯-২৬) মতমদা লানগাইরকখিবা থাংজম মচাগী চানোন-শুরোননি। মনিপুরগী **শগোলবন**, (সয়া), **থাংমৈবন**, অমসুং **খুরাইদা** শাগে অসি লৈ।

২। **Mass Media, Community Health, Basic Education, Nutrition, Population Education, Conservation of Natural Wealth** অমসুং **Town Planning** গা মরি লৈনবা হিরমশিংদা পুকনিং চংই।

৩। তৌজিক-তৌজিকতি অইবা অসি **Social Worker** ওইবি, তান্না ইচুনা থবখিবশিং লাইরিক ওইনা ফোংদোকনবসু কন্না হোৎনবি।

Rs. 20/-